
শাইং চবা
অমগী ৱারী
লাইশ্রম
প্রেমচান্দ

শাহিং চাবা অমগী ৱারী

লাইতোঞ্জম প্রেমচান্দ

অকোওবা :   কোঙেংবম হেমচন্দ্র

মথুমগী লাই :   রাজকুমার সরোজ

মনুংগী লাই অমদি

মথুমগী ব্লাহৈ :   লাইতোঞ্জম অম্বুরজন

ব্লোক শাবা :   এন, মণী সিংহ এণ্ড সন্স,
এলাংবম লৈকাই

নমম :

লামাই ১দগী ৮৪ কাওবা :

কংলৈথা প্রেস, কৈশামপাং

মথুম অমসুং অতৈ :

জে, এম, প্রিন্টিং ৱার্কস, অমহান

অহানবা থুংনম :

নভেম্বর, ১৯৮২ ইং

ফংফম :

প্রাইও বুক স্টোর অমসুং

অতৈ লাইরিক-য়োনবা দুকান

মমল :   লুপা নিপাল

কোপী :   ১০৩০

ফংফম থোকপা

খুদিং অইবগীনি



শুকদ্রে অশুক্কী মাতিক মতেংদা
তাসিবন লোইরবাক্তি ঐগী পাইশিত.

১৯৭৯ ইংদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমীনা মতেং পীবিগ্রবা লাইরিক অসি হন্দক্তা পুথোকপা ঙমজে।

লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ৱারী মচা 'নৈহৎপিরবা থৱায়', 'পূন্সি', 'অতোপ্পা মঙাল অমা', 'মেরাগী থাবল', 'য়ুম্মাং পাউ' অমস্তুং 'অন্থম লৌথি' হায়রিবশিং অসিদি সাহিত্যগী ওইবা চেকোং 'সাহিত্য', 'ঋতু', 'মৈরিক' অমস্তুং 'য়াথল' দা হায়না ফোঙপ্রবা ঙাক্লনি। "অহুম অখুক" হয়না লাইরিক অসিদা ফোঙবা য়াহনবিব-য়ীনক সংস্থান পুন্নমকপু থাগৎচরি। ৱারীমচা খুদিংমক শোক অসিথ হাপ্তুনা ফোংবা ঙমগী অপাম্বনি। অহুবু 'শাহিং চাবা অমগী ৱারী' হায়বসিমদি শোক ফাওবা ইশিলহৌদ্রে। অহুবু শোক ১৯৭৮-৭৯ অহানবা ইখিবয়া হায়বসিমদি কন্না থাজে। লাইরিক অসি পুথোক্নবা শেলগী তেংবাং পীবিখিবা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমী, লাইরিক অসি ফোঙবিরিবা ইয়াম্বা কোঙ্গেংবম হেমচন্দ্র, পাজল অমসিদি শেলগী মতেং পীবিখিবা মরুপ-মপাং অমদি পাউতাক পীবিখিবা ওবাশিংগী লমনদি শিংঙমদনা অদুম্মক লৈরগনি। নাচোমসিনা মমায়বলক্তা কাবক-শাবক্তুং তিনজবা কংলবদি মথংদি 'নাতোন চাবীগী বসন্ত' কৌবা ৱারী মচাগী অপুনবা লাইরিক অমগা পুথোক্নবা হোৎনজগে।

ৱারীশিংসি মীচমগীনি। মীচমশিংগী পুন্সিগা মান্নবা শোয়দনা য়াওগনি। মদুগীদমক্তদি ঙাকপিগনি।

লাইতোঞ্জম প্রেমচান্দ

য়াওফম

নৈহৎপিরবা থবায়

—ইচেমশি ইচেমশি, হো ইচেমশি।

কনানোমা চেনশিল্লকই।

—হায় কুমার করম তৌরে?

—ইচেমশি কুমারনিনে, কুমার। শোয়ত্রে, মোহেন থল্লগনি।

মরেংজুম অহু কল্লহুনা মচেমশিদা পাউছু ভবই।

—শেংলত্রা কুমার?

থম্মোইছু পোখাকম থওত্রে। মশানা জাবনি। মশা ওইবিনি।

—হেরা ইচেমশি থাল্লগনখিত্রেদা। পৈশা হায়রকদরা চিংনরম্বহু আনা অমফাওবা তিংলরোই। নচাদো থবক শোয়দনা ফ লগনি। ইহে, ইকাওবু কাওই, ইচেমশি মানা হায়রিবনে হৃরেং মুংখিল মখোয়দা ডাইহাক্তং লেংওক্‌পা মাদে হায়রকপনি।

সাহেবকা উন্নরকপগী বারী থম্মা চিকথনৈ।

—ইস। মৌদি চিনথ্‌ পোৎনিনে। নহাল চাক চাবা ভাইহাক্তং লাক্লব্রহুকাও মখোঙ পায়দেদা থাকপনি। বারী মচা অমা অহুক শান্নবগী ওইরিনি। চৎলুচো, চৎলুচো। ঐনা হায়বহুদা অহুম লৈরবনি। থিবা বাদবনি। ঐস্সু চৎলগে, হোয়েল মুংদাং চাক হাপ্লস্যুকো।

মাগী হৌনবী ইবেল্লৈগী বাকা অমত্তা তাদনা চেনখ্রে।

ইবেম্নৈগীস্সু মতম অমদদি অরুংবা পুন্সি লৈরমই। অহুবু থঙদে করম্বা কনানা ঙসিগী মাগী পুন্সি অসি পুশিল্লক্লিবা? বাখল থেনবীনি। মহাক্কী মকোক মচাহুনা থিগৎলুবা ঙমদে। মুশি মুশিজরবস্সু লৈজরিবা মুশিনহুতং শাথীগল্লবা নোংলৈগী শহুমদগী কয়নবা তথোৎলবী খুৎশানা থন্নবহং লাক্কে। মতোমতগী থল্লবদি অমদা মযুম থোক পাল্লোকথিবস্সু হেন্দোক্লা মযারি। হাকল্লমস্সু থিল্লবদা শিংথিল্লি। ভনশাগী মহৌশা কাম্বত্রি। অহুবু ইবেম্নৈ, ইবেম্নৈ ওইনা অক্লুমক হিংলক্লি।

"ঐবু সাহেবকী মনাক্তা চংকত্রা নত্রগা চৎলোইত্রা? ঐবু চৎসিরা নত্রগা——?"

মেরুদণ্ড অহুদা উক্ল উক্ল কোয়ঙাওনরুরবগী তুংদা মপু-রোইরবু থংহুং মুংশিরকই। অলৌবা পুন্সি অমা পুরক্লবদগীদমক বৃন্দা দেবী খুরুমজ, চিনি মকুম উম, পোৎরোম লোকা থোং রিজোদা কাথৎথিবহু তত্রতরং উক্লকই।

—ইবেম্নৈ কদিমত্তা মুংশা বীগনু। নহাক্লা অহুম তৌরবদি ঐ করম থোঙশাকপনি? রোইঙ্ক, মোরেন পাখং কাক্লিজরক্লে।

দাবী করা তৌরকবিগনি। নওস্থ খল্লু, ঐখোব অস্থ্যা লৈখোকপা স্বাবিব্রা? পুম্নগী সমাজ অসিদা মীরক ভিন্নবতংদি হোৎনববা স্বাদবনি। কুইরোই থুনা লাকনি। নোংস্থ ঙানগদৌরে, রেংউ তু। চাক চখোম থরদংদি চাথিগে। সে সে, নখুৎতু লৌথোকও।

মত্থবাইত্থনা থরা অমুক করম্বা। অত্থনগীদি মহাকস্থ চখোকখ্রে। তঙাংনরিবী মিন্নাত্থ পিথুন্নরকই। হন্দক্লা করম্বা, অমুক করম্বা চাংয়েং? হিংবা তারবদি অসিগুম্বা চাংয়েংশিংসি পাংখোকপা ভাব্রা? অত্থদি ঐ, অত্থদি……… ?

চত্রে, মোহেন থবক কংলোইত্রি। ইমুংগী কিন্তর নোংম-নোংমগী লুশিন্নক্রি। হিসাব পাবদা হক্লিংঙাই চখোম অমকাওবা উবা কংত্রে।

—চৎকনি, ঐ শোয়দনা চৎকনি।

ইবেমৈ, চৎপদা স্বাই তারে। মুংতিগা মামদে, হাইক্লেং কেরে। হমা য়েংলক্লবা ইন্নো পাউদর থবায় স্বাওনা থারকই। মচা মোহেন ইঙক ঙকই। ইথা থাজরুদবা মত্তৌত্থদা হংলকই,

—ইমা কদাইদা চৎকদৌরিবনো?

—নবোকহোয়দা লুহোঙবা অমতা চৎলুগে?

ঐগী থবক্লদি করম ভৌখ্রে?

—মত্থস্থ হংলুগদৌরিবনি।

—কনাদা?

—নবোক্তা।

—ইঃ শোনজুত্থনা করি থঙলত্থনা?

—অহুম ঙাংম্বু তৌহৈদে। নচিন্নুহুম পাপ পুনি। নখোক-হোম্বগী লৈকাইদা সাহেবনা চানবা নিপা অমা লৈরানে। নখোক ঙরাং লাক্লম্মী।

—অহুদা……।

—অমুক্তা লাংলকখিগন্থু চন্দন ঙাইহাক্তং থিনগে।

চাংৱেংশিংসি মথং মথংদি মাই পাক্লক্লি। ৱিক্সো অমা কারে।

সাহেবকী থোঙ্গাল য়ৌরে। চুপ্মি, থিবা ৱাদে। ইবেম্মে ৱিক্সোদগী কুমথরে। মিহুন অমা থরক্তা হুনগৎখি। হাপোই-নববী হকচাংহুনা মচেক নাইৱবা কাংকুক্তা হুঞ্জিল হুঞ্জিল খুদি শিরকই। অচৌবা লালফম অমদনি ইবেমৈনা খুংলাই অমফাওবা ৱাওদনা সুপ্নতগী ম'সাহেব পিজনবা পেঙ্বা অত্তেকপা অমতংগা চংশিল্লক্লিবসি। থোঙ্গালদা নেপালী পাথং অমা লৈরম্মী। হান্না খঙলত্রা, মরোল খোইরি খোইরি মপু নিংবা হুইঙম মথৌ পাংথোকই। তরাম তরাম সাহেবকী কা তম্না চংমিম্নে। সাহেবতু অমোনবা সোফা অমদা ফমহুনা মীৱোলগী খবর অমা পারমই. মণিপুরদা লৈবা কুইৱক্লমানে, ইবেমৈদা হাইফেৎ ৱেংলগা মোমোন মিনোক অম্না চীনবান্দা উমহুনা হুলকই,

—য়ৌবিৱক্লেদনা ?

—অহোই।

মিহুল চেংঙম-চেংগানৱকই।

—লেংশিনবিয়ু।

থংনবা সোকা অমদা খুদোনবিনা থিল্লি।

—রারনি।

মগুম শান্দনা কমথৈ।

—কন্নিনো পুথিরক্লিবহৌবু?

—সাহেবকী হানবনি।

—কৈন্দু কায়দবদা, নহান্দসু চাক কৌথিরে।

—ইচাগী মঙ্গলগীনি।

শোম্বাংননা হায়বগুম তৌই।

—মাই পাকপদি শোয়ত্রবনি।

হাইকেৎ নোকতুনা ইবেনৈদা য়েংই।

—মহুতা থৌজানবিয়ু।

সাহেবনা নেপালী পাখংহুবু চাকথুমলোমদা অচা-অথক লাঙনবা থাজিনখি। সাহেবকী শিকারী হুই নেপালী পাখংহু কয়াদা চালাক নৈথ্রবা। থৌরাংলবা মিৎয়েংগী অর্থ তত্তনা চিনফা পুরমানে। হুঙ্গিল হুঙ্গিল পাথরবা শঙ্গোমহু হুঙ্গিল হুঙ্গিল শৌহল্লকই।

১৯ নি চনবা আগষ্ট

১৯৭৫

পুন্সি

ঐহাক অমুক লাক্লে
শখ্রিক মখোলশু থোকহল্লবনি
শখ্রিক মখোল তাবদা
নহাক থাইনদি থোরকতাই ?
... ...

অরাঙবা সহরসিনা পঙলাংতা লাংলি। অরাঙবা মখোলনা থোরকপশু অঙনবা অমুক্তগী হৌরি। নিনবা, লাঙবা, থেবা, চাউথংপা সহরগী মতৌ উৎপা। হরাগাড়ীনা মাংনা মাংনা থৌবা। ঠিয়েটর, সিনেমাগী পল্লিসিটি। অচিকপবু লৈরিব্রা ?

অহবু, থাজরিব্রা ? থাইনদি সহর অসি অহুম তৌরমদে। অহুগা পৃথিবী অসি হোংবশু নাই। সুইটচ অমুক নম্বদা মলান মতোন মোবনি হৌজিক চিনফা পুনরিবদি। মণগাড়ীগী শখ্রিক মখোলনা সহর অসি থোম্বাং মৈনা নিল্লবনি মমাংথেংদি।

মমাংঙৈদা ওইরম্বহ্ খুঙ্গংনি। অদুগা নহাক্তি খঙলম্লোই, খুঙ্গংচুগী কনাগুম্বা অমা অতোপ্পা অখাম্না খুঙ্গং অমদা লোংশিন্দুনা ফম্লীখি। মহাক্কী অতৌবা মচুগী অঙাংবা গাড়ীবণ অমিচু মীপম খুঙ্গিংগী থম্মোয়বু চিংশিনগনি। মহাক্কী যণগাড়ী অচু তৌশিন্নবা অমত্তা য়াওদবা স্নুমহংপা শরিক মখোল থোকপা পাঙ্গীনি।

—নোং হেক ঙানবগা লাক্লগদবনি।

শবিক মখোল তারকপত্তুদা হায়। নোং ঙান্নবদস্সু ঙায়রি। অতৈ থবক পায়রক্লদ্রি। ইমুং য়াই তৈথংলকপদা ঙায়রি।

—লাকসম্নু কৈদৌরবগে?

মমানা তাহৌরহুনা থুম্লকই। মীনা মমাগী ব হৈ অনিদংহু তারম্না নংদে। মুম্বাগা চফুগত্তু লময়ংইদা অহুম থনম্মী। মাঙ্গোল তম্না পরপ্-পরপ্ থোক্লকই। হায়না হায়না গাড়ীচুস্নু থাম্লে।

—চা লোইন্ত্রিবস্রো?

মশা-মউ ফবত্তু গাড়ীদগী কুমথরকই।

—ওসিদি তা-কামোলগী চা য়াওদে:

পৈখোক্নুনা খুম্নই।

—অত্তু ওইরগনা চংলেদনা।

যণগাড়ীচুদা অমুক্তা কাখংকে তৌই।

—ঙাইখো, ইমানা বা অমা হায়নি হায়বনি।

মীনা ইমুংবা অমুক 'পরপ্ পরপ্ চঙখল্লে।

কন্থিগীনো ওরাংজ্ঞা থোকথিবা ৱারী কাউরিব দ? শারমচৎ চেনবা মীওইবগী মরমচংতি মাওগী ৱারী কাওথোকপরা? হৌরকফম খণ্ডগ্রগা লোক্তশিনফম খণ্ডগত্রা? কনানদি থাজগদৌরিবা, কোইলাস থারবা অপাকপা সহর অসি নোংজু পান্থ্যদা লৈথোয়া খু.জং য়ৌরমী। অচম্বা পুন্স কয়ানা থোওদারমই। শিংউং শিংনাংনম্থু ইম্নবমথে হৌরমী। ফজরবা উমং অমনি সহর ময়াইগী চীং অসিদা লৈরম্বহু। মহুদা হৌবহু মনা পুংবা হৈনৌ কয়া, মশা লোওবা লৈহাও কয়া। 'সিবু হৌজিক থাজরিব্রা? হৌজিক্তি মহুগী মহুত্তা অৱাংবা মথোলগী বিশ্ববিদ্যালয়, হাইস্কুল, পার্ক, অফিস।

—পাথং লৈজদবা হায়বসে।

কাকলৈগুম্বীহুনা শীং থায়হুনা লৈবহুদা যণগাড়ী মথক্কুদগী লক্করকই।

—নথৌ লৈতে, থাযজব্রিবা। হুপীনা শীং থারবা য়াদে হায়রবা লৈত্রা?

য়েংথৎলক্কে। শীংহু অহুম থায়হুনা লৈ। মুরুংনবা খজারহুদা হমাংগী ঈরী থরম্থু চেঙ্করে।

—পকচদেয়ে। লৈ চিন্নগা মাঙ্গোলদা কমহুনা লৈবা য়াত্রো?

গাড়ীদগী কুমথরক্লে।

—শে শে ঐ থায়দোকপিগেসে।

শীংজংহু মুনুনা শেং শেং লাওনা থায়দোকলীরে।

—ইন্দোল লৈত্রো ?

পাউথুম ভায়রমদে। হুংশাশ্রোয় থবেং থবেং হোন্দুনা ইমুংদা চংখ্রে।

—ভাইহাক্তং ভিংথোক্কে। ইন্দোল লাক্লগা হোদোরকউ।

ইমুংদগী লাউরকই। মীনাস্থু ইমুংদা চক্ললক্লে।

মীনানা লৈরিবহু মমাগী মপামনি। মপাদি থাইনখ্রে। কুমরে, মথোং য়াম্না চাদে হায়। থোইদোকপা থবক হুনিংভাই লৈতে মীনাগী। মথোয়গী মামহুগা মমাগা মথোয় অহুমতনি। মামহুগী হুপী শিখ্রে। অমমুক থিনবগী বাথলস্থু লৈত্রে। অরতা শায়হুনা মতম লেপ্লি। মামহুনস্থু কোমোলবুদি লুনা ভৌই। ইমুংহুদা কোমোলগুম্বা পাথং অমগী দরকারস্থু য়াম্না লৈ।

—ঈশিংগা লৈত্রো ?

হিপ্লিবহু মামগী কমুংহুদনি। হিপ্লম্বদগী হোগৎলকই।

—সুম হিপকে হায়দাই, সুম তুম্বা য়াত্রো ?

—ভৌজয়ুকো য়াম্না য়ানা হল্লক্লিজাংনি।

—য়ারগা নয়ুমদা হিপচবা য়াত্রো ?

—ঈশিং শিথকআরোই ?

—নয়ুমদা থকচক্কচো। ঈশিংগা শোকহোদে।

—কৈ কৈ।

চিনবালদংগী য়ানি। চিনবালদংনা ভোবা য়াবা থবকস্থু য়ামখ্রে। অয়োকপা পুলগী ঈশিংহু শিলাস অমদা পুখোয়কই।

—সে.।

—থক্লরোই। য়ুমদা থকচরুবগে।

—অঙাং মচাগা চপ: হেক মান্নবনি।

—মাল্লিসিবু কনানো ?

মীনা পুল অনিগা সনাবুল অমগা পুথোরকই। হায়রকই,

—ঙসাইমথৈ তাকোমোল লাকপা ঙায়রিবনি

—কিত্রা ?

—মমায় ঙাওবা পাখং য়াম্না লাকই।

করিগী লাক্লোই, মুবংনবী পোমশাংনবীহুনা ফুগাইরক্লবদা। মুবংনবী মীনাগী কুচু, মাগী অকোনবা পা, অৱাওবা মমিং, খজাইগী অকুংপা মকম, অতুগা নোকপা।

—পাংতগী শুইনা শোক্লুসিকো।

কোমোলনা হায়বকই। পুলগা সনাবুলগতু গাড়ী মথক্তা হাপকংলি।

—গাড়ীদা চংত্তেরো ?

মীনানা হংলকই।

—নঙগী পুলসিবু ঐবু পু হায়রিবরা ? শোকইঙৈসিদা লোয়না শোকহৌরসি। অতৈ পাত্র লৈত্রবরা ?

সিলভরগী পাত্র অনি অমসু পুথোরক্তুনা গাড়ী মথক্তা হাপচিল্লে।

গুমিদাংৱাইরম্মিদনা। ভাঙানবী নোংজাবী থোকলি। চুম্মিংকী কুচু ওল্লে। উরোক পরেং-পরেংসু পাইরি অনকপা চীংৱাহুরা। কোমোল মীনাদা মুন্না য়েংহুনা লৈরি। খজাইগী

অকুৎপা মফমতুদনি । গাড়ীয়ণগী শন্বিক মখোলতুলস্থু ফজবা দৃশ্যতুদা সুমহৎপা মখোল খোকহন্দুনা তেঙবাংলি।

—মীনা, নঙ করি কব্রি মাস্লিবু।

তুমিন্না স্নম লৈরম্বদগী কোমোলনা হায়রকই।

—কব্রি মাল্লগে ?

সুংশা থীবগুম হুঙলকই। ঙাওজবস্থু খোঙ্গেলহুদনি।

—মূরৈনরম্বত্ত ঙাংলৈনথোকখে্র ।

মানা নোল্লগই। হংলকই,

—ঐবু হায়া মুত্রনে?

—নঙবু কনানা ঙৌই হায়গদৌরিবা ?

পাংতু লাপ্তে। থম্বালগী খোয়বাংবী লৈনমতুস্থু সুংশিংনা পুরক্লে। ফজবগী বাবুদি ফজবা ঙাক্তনি। য়েংথোকখিবদস্থু অমুক ফৌ চরোং চরোং ।

ঙক্তনিংঙাইগী মরমদি লৈত্রবনি মীওইবগী মরমচৎ। মীওইবনা অস্থুক থুনা থুনা কাওথোকল্লিবসি করিগীনো ? তেঙবাংনবা সুংশিনবা পুম্নমক্কী মহৈ লৈরিত্রা ? কপ্পম্বা ফাওবা য়াই সহরসিনা অহিং অহিং। কপ্পা তারবস্থু হিক্লা হিক্লা কপ্পমগনি। হৌজিক্তি তুরেলগী ঈচেল ফাওবা উদ্রেদনা। থাজবা, তুরেলসিগী ঈচেল ফজনা মশক উরম্বনি মমাংঙৈদদি। অমুক অমুকস্থু ঈশিং থুমহল্লম্বনি সহর মচা অসিবু। ঙক্লবনি হৌজিক্তি। তুরেলস্থু লৈহ্নংদা চেল্লে। তুরেলগী মথক্তা হোতেল, বায়, ক্লব, দুকান, হোল। কনানা নিংশিংবিরমগনি, লাঙলিবা, নিল্লিবা, জগোই শারিবা পুন্নমকসিগী মথাদা ঈচেল অমা লৈরি হায়বসি।

চীংয়াচুদা অতুম্মক অপাকপা লবুক্কি। মীনাগী মমা ইন্দু, মীনাগী মাম, মীনা লৌ বৈবি। কোমোলসু মতেং পাংলি। সুংশাসু হাইকেং শাগৎলকই।

—ঙাইহাক্তং পোত্থাখিসি। নোংসু চেরোক্লবা।

অতিৱাদা হাইফেং য়েংখৎলুরগা মাগী মাম কত্তলহনা হৌদোরকই।

—হোইদা।

মীনানা মতেং পাংশিন্নকই। পোত্থাবগী হায়রুরবদি পোত্থা-নিংলিবনি কোমোলসু। য়েংবকে হাযবা অমা য়াউনা য়েংলকই,

—ইন্দোল ইবানিদি পোত্থাগুমসি।

—ঙাইহাক অমুক পোত্থারগা লোইনবা সুরগা লোইরে ইচাসিদি। পোত্থাও পোত্থাও।

ইন্দুনা হায়রকই।

পোত্থারে। পুবকপা নবাবশিংছু মমানা পুখোরকই। মীনানা খোক্তুনা মমাম চায়।

—হৈত্তুপ হেকউসিয়া?

মীনানা কোমোলদা হঙলকই।

—হায়গুম্নহনা থবা হেক্রুকউ চাসি ইবুংঙো।

ইন্দুনা হায়রকই।

চীংছু ইনক্ নকই। কোমোল মীনাগা হৈত্তুপ হেকপা [illegible]। নমতাদি লোবারেবনি। নবাব হায়রকপগী অচৌবা থাজিন্নু মীনানা থাইবিন্নকই।

—খাউহুদি কৈদৌগদৌরিবা ?

চীংখোং য়োরবকান্দা কোমোলনা হংলকই।

—হৈতুপ হাপকদৌরিবনি।

মীনানা খুমই ।

—য়ুমপোং তানগনখ্রে, নঙসে।

খজাইগী কুংথবা মকমহুদা য়েংলহুনা লক্লরকই ।

—অতুম্মাইনা হায়জহু।

মতুম মতুম য়ান্থহুনা পাল্লি মপু লৈতবা হৈতুপশিংহু। ঙসিতা নত্তে। কয়ারকপুদি লাকমিন্নখ্রবনি মীনা মবানি। অমুনবা হৈনৌ লংনহুনা শান্নখি। অপাম্বা লৈ হেক্লরগা ফজবা তান্নখি। মপু পান্দবা লৈ ময়ামহু হেক্তোক্লগা চাইখাইহুনা ফম্মিন্নখি। হয়িংখোই কয়া অমম্মু পাইরক্লি। অখেল্লৈদগী লৈহী চুপ্পা লাক্লিমানে।

—হৈতুপ কাবগা ঙম্বগী য়া লৈত্তে।

হৈতুপ মখোং য়োরবকান্দা কোমোল ফমথহুনা লৈথোকখ্রে।

—মাগীদি অসুমায়না হেক্তা ত্তৌগদবনি। ঐবু কাবা ঙমদবোইকা নিংব্রা ?

—কাওনে।

—তানি হায়হুনা তৌবগী য়ানি। সে কায়োম্বী, ইমানা ঙাইরম্লগনি হায়বা।

—নত্তা লৌয়ে। ঐবু নখোয়না কুশি তৌবা য়াগদবগা মানব্রা ? ঈশিং শোকসি হেক শোক, লো খাউসি হেক খাউ,

হৈতুপ কাও হেক কা। হৈতুপ কাবগা সুকঙম হেক ঙয়োই

য়ায়া শাওবা মাল্লি হন্দক্কীসিদি। কমথখিবদগী হৌগৎ-লকপা লৈত্রি। কোমোলনা শাওরক্লবদি মীনা য়ায়া কি। নোংমস্থ হৈনৌনা থোমহনা নাহি তাখি মমাদা হায়দোকখিদে। হন্দকী মতাংসিদি ইমুংগী বাকমস্থ য়াওই। মীনা ইকাইবনা মুরংনবী মাইথোঙহ তঙাংশিল্লক্লে। লেপ্লিবহদগীস্থ লেঙদে। খাউহ সুপ্পাই পাম্বশিল্লগা লাক্কুনা লংথোকখি। পি মরিক খরস্থ কোইরাউনবী মিস্রাহ থয়া পাগোয়বীহগী ঈয়াইহদা ঈহৌরক্লে। কোমোলগী মুংশা থীবা মতাং অমুক লাক্লে।

—অঙাং মচাগা চপ হেক মায়বনি। অঙাং হায়রবস্থ হেক মশাওই। ফাগী তৌবনি হৈতুপ শোয়দনা কারগদবনি।

লেপথংলগা মীনাবু খেমই। হৈতুপ পাম্বীহ মাগী মপোৎ-তৌনা মীনানা হায়রকই,

—কাবিম্ব। নঙনা হেকপা চানিংদে। ফাগীবু অহমায়না তৌরা? থুলসিদা তাকোমোল লৈ হায়হনা নহালমথে চাও-থোকচবনি। হয়েংথে সুকচং চংবিরক্স।

সুং সুং কপথোরক্লে। তৌবদি কোমোলনা ঙাইরিবস্থ মহুতনি। মহুগুম্বহু অমুক অমুক তৌহন্দুনা মীনাগী মুঙিবু মাগী খন্মোইদা অমুক অমুক চেৎনা হাপচিন্ধে। অনচেন চেন্দুনা হন্দোকপা খাউহ খঙ্গুয়ে।

হুমিদাংহ কোমোল মীনাথোয়দা চাক চায়। মখংগী হুমিং, তদি ঙা কাবা চংসি ঙাংনৈ। কোমোলদা ঙক্তা লাকউ হায়।

থগোক্লম্নগা কোমোল মাগী গাড়ীদু তোংদুনা চংখে্র। মীন থোংবাদা ভাত্নুনা মেংহৌই।

কাওরব্রা? জিপ, কার, ট্রাম, বস, মোটোর, ট্রক, অদুদগী রেলগাড়ীনা কাওদুনা চেক্লিবা সহর অসি মতমদুদদি যণগাড়ী-তংনি। যণগাড়ী চংখিবগী মমি অদু হৌজিকপুদি লৈহস্রেদনা কোইলাস থাজিন্দুনা।

কোমোলগী কারবারদি শঙ্গোম খোম্বনি। অয়ুক ভত্তা মাগী গাড়ীদুদা শঙ্গোম খোম্বা চংলি। অখোম্বা শঙ্গোমদু মপান' নম্রগা মহাক্লসু অমুক থংনবা থুঙ্গংশিংদা থাদোকই।

মথুম মরাং হৌর'
মিপাই চাউর' থম্মোইসে
নভগী নাক্তা লৈগে
অম্নুম পুক্সিসিগী ভত্ত'
ঈরিক 'মতং খিকপিরো
নোংজু অদুনা চোংহল্লো
পুম্নমক কাউগে লোয়না।

ঈশৈ মতেক অসি ভংলদুনা যণশিংদুদা শাক্লৈ ইথা থাক্লদনা কোমোল গাড়ী তোংদুনা মযুম পাংনা লাক্লি। ঈশৈগী ভালসু শরিক মখোলনা থারি। মাংগী বারী মথৈসু শরিক মখোলদুনা নিংশিংহল্লি। থকতা থোক্লি থাজসু, মাগী ঈশৈ ভারি। মাইথোভদু মপুণ্ড কানা উদে, লৈচিলনা তথাই অমা খুমজিন-বিখে্র। কোইপাই শাইরি পাইগনবিদু। ঈশৈ মতেক অমা অমুক ভংলকই।

নঙস্মু লৈচিলগুম্বা

প্যাথৎত্তবা মারিবনা

ঐদি শঙ্গোম য়োনবনি ।

মীনাদি অয়ুক্তগী শরিক মখোল তারকপা ঙাইহনা লৈরে। মমাস্থু থবক ইনখাং ফং ফং লোইশিল্লি। ঈল অনিহু পুখোক্তুনা শেগাই-তুকাইবা ফোংচিল্লি। মাগী মামহুদি হৌগঞ্জি। মীনানা কোম্মোল লাকপনা হান্নগনি হায়হনা মাগী মামবু হৌদোক্লি।

হায়না হায়না তারক্লে শরিক মখোলহুস্থু। মীনা চেম্পোকই। মমানা ফোংলিবা ঈল অনিহু লোইত্রা লোইদত্রা থঙদে, লৌশিল্লগা শং শং থুপচিল্লি। মচাগী ইঙাও ঙাওবী মতৌহুদা মমা ওইবিহু নোকচৈ। আশা পুম্নমু মঙোন্দনি।

—কৈদৌরে ইবুংঙো স্নুকুম কুমথরক্ত্রবদি?

পাড়ীহু থারগা স্নুকুম কুমথরকত্রবহুদা ইন্দুনা কোমোলদা হংলকই।

—কমশি শিন্নত্রা থবা য়েংউ ইমা।

মীনানা হায়রকই। কোমোলহু ঙসিদি মতৌ অমনি। হায়ঙম-তমঙম্নরোইদবা পাড়ি অমা প্নুহনা লাকপগুম তৌই। ইতন তম্হবা হৈনিংঙ্গবা লাম্নী অমগী ফিভম্নি।

—ঙাগা ফবা অমতা চৎলরোইসি ইমা। ইবুং লৈরমদবনি মীনদি উপিথিরেদা।

মীনানা শাউরংনহনা হায়রকই।

—কৈনোনহৈ, নঙনা থক থাগা ইনাই নাইত্রিবহুবো?

মমানা মীনাদা চৈরকই। ইন্দুস্থ ওকই কোমোলগী মতৌ-ছুদা। মশক খংদবা অল্লাবা অমনা মশক খংদবা চৈনাখোল অমা খম্মোইছুদা পীবগুম তৌই। তুংক তুকাই চল্লবা কোমোল হৈনিংব্রবা মখোংছু গাড়ীদগী থাংদরক্লে। তুশোল্লবা খম্মোইগী ল্লারী পুম্বা খম্মোইদা খমখি। খুদিংমক ওল্লবা চিনবালছুদগী হায়রকই পকচদনা থরদং নোক্লছুনা,

—গাড়ী মথকসিদা ভাইহাক্তুংগা যমজবা ম্লাব্রবনিনে?

মকম অমদনা অনৈবা ঈশিং। মকম অমদনা তরু-তরুবা। পাংতু হাইকেং পাকই। পোকখাইম্নবা থাংজিং মরু কম্না তাউ-খংতুনা লৈরি। কবোকং মপাল শাবম্থ ম্লাওম্নি। থরো, খম্বাল, থাম্নিকথা, অছুদগী খম্না। কেল্লবা খম্বাল লৈনানা তরু-তরুবা ঈশিং মথক্তুদা তাউথোকখ্রবম্থ পিকখ্রবা খমচেংছুত্তংনা আশা মচা অমতংগুম অঙাওবী মালংগী শছমদা তনিক্লা হাইম্নি।

হীছ ইন্দুগা মবুংগা অমা তোংমিম্নৈ। কোমোলগা মীনাগা অমা তোংমিম্নৈ। অহানবদদি নরুনা হোনমিম্নরছুনা ঙা ফামিম্ন-ম্নম্বনি হী অনিছু। খাবক লাকপা নত্তে। নিম্নমম্থ নত্তে। হী অনিছুনা পুকচেল কম্নাম তিম্নহনা অপাকপা। ঈম্নাইদ্দা বম্নাম কুইনা চৎমিম্নগদৌম্নিবা?

ঙা থরা ফাম্নম্নগা মীনাদি অদুম তুমিম্না কমদুনা লৈরবনি। করি মত্তৌনো খওদে কোমোলগী। নহালমখৈদি মীনাদা কম্নাম্নক লরুবা মতম ওইরবনি। মীনাবু কম্নারক শাওহনবা মতম্ন ম্নৌরবনি। ম্না ভাংব্রবদি হৈনদবা কোমোলদ অদুম তুমিম্না

ফমদ্না লৈরী অমনা তুমীম্না লৈথীবদ্দা শাওগনবী মীনাগী হৈনদবী থমথেংবীদ্ য়োরে।

—করি তৌরবগে?

মীনাদ্ ঙসিদি তপ্না হংলকই হীথক্তুদা।

—কৈস্ু তৌদেদা ঙা ফাওা। ঐ অতুম হোনগে।

—ঐস্ু থনবত্ খিত্তা য়াংগে। ঙা ফাবা লোয়রে।

অমুক হৈনদত্না মীনানা হায়। নহালমখৈগুম শাওজিন্নগদবস্ু মতৌত্দা ঙমদ্রে। হুংশা থীবা অমত্তুম পোকশিল্লক্রে।

—থঙনিংবনা লোইরেমী হায়রু হায়বা।

ইল অত্ থ্পচিল্লদ্না হায়রকই।

—ইন্দোলদা শোয়দনা হায়গে। নঙোন্দা হায়বদি য়াদজাংনি।

ফাগী তাহন্দুনা কোমোলনা থুম্নকই।

মীনা তক্লুদ্রে। হংবা লুই, থুম্না লুই। শাগংকনবী য়াথলনা করিবু ওইবা য়াবা, শাগংলী। হীগী মতোল অমদা লৈরীবা কোমোল মা তম্না নকশীল্লক্লীবোই নিংলকই। অমুকস্ু নিংলুই, থংতাম তামথ্রবগুম। ইংনা চীক্না হুন্নি য়ালংবা। মঙাও থীদ্রে মহৌশাগুম। তনীক তনীক হাইরি থরো অমা। হী হোদ্রে কোমোল। লাপ্না উরী হী অমদ্সু।

—মীনা।

তপ্না কৌরকই।

—করি হায়রগে?

—সিদা চংশিল্লকউ।

মীনা কোমোলগী মনাক্তা চংশিল্লি। কোমোলনা নৌদ্ৰ তপ্না তপ্না ওৎলদ্ৰনা হায়রকই,

—মীনা নঙ জ্ঞান তাউকো।

খুমকম খঙদে মীনা। ঙাংশিল্লকই মমাইদ্ৰ।

—নঙদি মঙাও য়াম্না থী। নঙ ঐবু কাওম্নুংকো। হয়েংরাই নঙসে ঐবু নিংশিংগদবা মাঙ্গে।

কোমোলগী রাহৈদ্ৰ ইপোম নাই। থরোদ্ৰগুম তনিক তনিকই। অচিকপা অহিংগুম অমুক ইচিক চিক্লে। চহি লেঙ্গামক নত্তে মীনা কোমোলগী। থোইদোকপা পাখং অতৈ তিন্নরুদে। লাইরিক হৈবীসু নত্তে। অরুবা রাহৈগী অর্থ খঙদে। মহাক্না খঙবদি মমাদা নাওংথি শাবা, কোমোলদা ওইনবা, মাগী মামদা ফাগীগী রারী লীহনবা. মসিতনি। রাহৈশিংদ্ৰগী অর্থ সুকখঙ খঙদে। তাবদি তায়। তুমিন্না তায়। খুকউ যুম শারহনা, লুকথরহনা, মখুৎ অনিহনা মখোংহ কোনশিল্লহনা। ইপোম নাইবা মালংবাগী তাম্থাঁ চানা হাইরি মাগী অমুবী শম্নাংশিংহুসু। থাক লাওবগুম তৌরকই কোমোলগী থম্মোইদা, মথাদগী, অরাংদগী, নোপোক্তগী, নোংচুপ্তগী। দলান কয়ানি থম্মোইহনা লোঙথৎলুবা, শাগৎলুবা।

লৈখোম লৈনাং ইতৈ তৈরি। অপাকপা ঈপাক্ত্ৰদা হী হোল্লুবগী খুদাংহসু শিথরে। মোয়াহদা ফল্লি। ইন্দুনা ফারকপা ঙা মরামহ লোইশিন্দুনা লৈরি। কোমোলনা মীনাবু থবক

অমগীদমক থাদোকখে্‌ৎ।

—ইবুংঙোগী ঙা শরুক্নি।

কোমোলগীদমক থস্নোক্লিবা ঙা শরুক্ , থুস্নোক অমদা হাপ্তুনা ইন্দুনা থাংদোক্তুনা থম্মী।

—কৈদৌনরুনি ইন্দোল। ঐ করি তৌগদবনো খঙদ্রে।

ঙা পিরকপদা থম্মোই কায়বসি কোমোলদদি থোকখি। থম্মোই কায়খি। ঈ হাথরক্তুনা চেম্থয়রক্লবগুম তৌখি।

- কৈদৌরবগেনে কোমোল?

মুংশা থীনা ইন্দুনা হুংলকই।

- খঙদ্রে ইন্দোল। ঐহাক করি হায়গদৌবনো খঙদ্রে। থোঙ্খেলত্থু নিক্লে।

- অহুবু করি য়ানো হায়বনিমী?

- ইন্দোল ঐ থুল হোংবা তারে।

খঙচেন চেম্থয়রকই মপিছুসু। ইন্দুগীসু পিছু তারে। মীনা-হুগদং য়াওরম্নবদি ঈচেল অহুমগী পুন্নফম ঈরোং অহু ওইরমগ-দবনি। কপ্লোইদবগী মরম লৈরিত্রা? অসিগীদমক্তনি মিংকী পিনা ভুংহুনা লৈরিবসু।

- বাজিনা ঙরাং হুমিদাংদং হায়বনি। চত্তবা সুকয়া য়াদ্রেবু হায়। কনানা খঙনি, কৈদৌঙৈ লাকপা?

অমুকসু মপিছু তারকই। থক্তা নোংখোংবহু অত্রিয়ানা থম্মোয় কায়বগুম তৌই। মালংবহু মাগী শহুম পীদনা ভুমিন লৈখ্রবগুম তৌই।

অতুদগী অস্থুম থাগতোক্সরকপা। অস্থুম লাপথোক্তকপা। শরিক মুখোল অস্থুম মতাই, মীনাদি মাকতুদা লৈতে। অতোবা অরাংবা মগনা চিংবা গাড়ীতু অহুম তোরে। মীনা কৈদৌরবা? মতুদি খঙদে।

মীনাদি লুহোংরে। কপথি, কদিগী কপোই? মৈনি নিংলুবা তন্দন ওইরম্মী। থোদোক কমাতুবু খুৎলাম তোয়না কৌনিংলুই। কোনশিন্দুনা থম্নিংলুই। হোৎলবা মতম্ বাগৌরুই। নিঙাই চাউগনবা থম্মোইতুদা নিংঙম্নক্তে।

লেম্না যাদবা মঙমগী থোঙচৎ লেপইয়ে মতানি। অমুকম্ হোথি অস্থুম। খুজংতুদা চাউথৎপগী মঙাল মথং মথং তারুই। অতুক মকম চাবা মকমতু নহালমথৈদি লোত্তুনা নমশিন্দুনা লেক্কমানে।

য়ুমথোং খুদিং চৌটি থিঙ্গিরকই। বিজুলীগী মৈঙালনা লম্বী খুদিং তঙপ-তরেংনরকই। তুরেলগী ঈচেলগী মথক্তা হোটেল, তুকান, বার, ক্লব, হোল শাগৎলকই। পুমথোং হোংলে। মী ফাওবা ওল্লে। কনানা কদাইদা লৈরিবা, কনানা কদাইদা থীকম খঙগদৌরিবা? রেলগাড়ীনম্ সহরতু ফাওতুনা চেনখ্রি লাউ খোংলতুনা মাগী তালীথক্তুদা।

মমিংতং ভারতে মমাংতৈগী প্রাৎতু। নোংজুথাতক্তাও ঈশিং মুকথুমু থুমত্রে। কনানা নিংশিংবিরমগনি হী হোনখিবগী ইতিহাসতু? হৌজিকীদি ভার্তর লাকপা ভাইবিরনি অতিথি পরে পরেংতু। অপাকপা ঈপাক্তুদা থরানগী মমিশিংনা অমাংকৈরোই শাগ্নরমনি মমাংতৈগী অহিংশিংতুদদি। অঙানবা, অথকপা, অরংবা

মৈশালশিং অহুনা শীংনরয়ে হৌজিক্তি অতিয়াগী থবানশিংহুপা।

মহৌশাগী হৈনৌ পাম্বী, হৈতুপ পাম্বী, লৈহাও পাম্বী। অমত্তবু হৌরে। মহুগী মহুত্তা ইর্ডনিভর্সিতি, হাইগ-স্কুল, পার্ক, অফিস। চহী লীরবা হৈনৌ পাম্বী অনি অহুমুদি য়ুংহুনা লৈখি মহৌশাগী য়ারী কয়াম্থ নিংশিংলহুনা। জোয়ো জোয়ো লাওবা ঈশিংগী মখোল, তোরোং তোরোং লাওবা মখোলহুগী মহুত্তা। অপাকপা লবুকশিংহুদি কদায়? মীয়াম্মা কুক কুক ইম্নবা, মখোল মখোলগী য়ুম।

ঙুংশা য়াক্লা শাগৎলকই, হৈনৌ মখোঙদা চৎলুরে। ইমুংদা ওইনা চংলে। সুইটচ অমুক্তা ইলেক্ট্রিক ফেম্না বং বং, এয়র কুলর, এয়র কন্দিসন। ইংবনা ত্রৎ ত্রৎ চিংশিল্লে, হিটর থাগৎলি। ওলাংলকই লৈকোন্দা, অরাম-খৌরাংলকই, হোত্তেলদা। কুম্মৈ য়েংনিংলকই, কুম্মৈগী কুম্মৈ ওাক্তা।

অমুকন্থ অমুম অমুম হেনগৎলকই সহরহুগী নিংথিবা। মখোল মখোল হাপকৎলকই অমুকন্থ। অনৌবা চাউথৎপগী লমাই মথং মথং ফাকৎলকই। অহুবু অমর ওইদবা মীওইবা, কপ্পাক কুক শুংজিন্নরকই।

চহী হুন্দ্রুমুকী তুংদা। কুয়রে সুওচৎ চৎলুরে। নহা ওইরিঙৈগী বাং-চাওরম্বা শবানহুম্থ কোত্তক তারে। মশমহু পুমঙৌ ঙৌরে। উনশাহুন্থ মথ্রপ-মথ্রপ্রে। ঙুংশাশোর হোল্লিবহু চনিং- চমাং তাম্রে, পুন্সিহুনা লোইগদৌবহু কয়াম্ব য়াৎলমগবা? অমুত্তংদি চৎলমনিই পোক্লকমহুদা। মরমরমহুনা মাবু কাউথোক্লম্নগম্রা? মীনাহুবু?

মহুদি কদ্দাইদগী খংলুরগনি। চোংতুনতা লৈরবা মমিংতু হেয়া চোংশিনহল্লকই।

হৌজিক কাওবা শীজিন্নবি মাদি মাগী মণগাড়ীদ্। মণদি শিরে। অহল ওইরবা মরাং কংলবা মণমক্তনি। অচেংবা মখৌরি-শিংদ্দা মুংশিবা মখোলগী শরিকতি অদ্দুমক যাল্লি। মখোলসু অদ্দুমক থোক্লি। তত্তনা নিংশিংদ্দনা লৈনিংমানে।

অমুক লাক্লে মরমদমদ্দা থাইনগী হৈনবীশিংদ্ পুরদ্দনা। সহর মথাইগী কোইলাস লমীদ্ কাওনা লাক্লি। চংলম্বনি মমাংঙৈদসু অম্মুম। তানকম অনিহুদি কয়াদা খেন্নবা? ভাগ্যানবা নোংজাবীদি থোক্লি মমাংঙৈগুম। খুইরবা খজাই মথক্তদ্দা তম্না তম্না শিম্বরকই মিংকী লিক্লাহু।

খ্দুলরিবহু হুমিদাংবাইরমনি। কুয়রে মণগাড়ী উনখিদবা। শরিক মখোল মুংশিবহুনসু ঈথিল অমা পীত্রা? সোরোক ময়াগী হোতেল মথক্তগী, য়ুমথক্তগী, সিনেমা হোলদগী মীয়ামা য়েংথন-রকই। চেম্হোক্তনা য়েংলবসু মাওই। হোংলম্লিবা মতৌশিংহুদা মঙওই-হাওই শাজে অমুক থারহুনা মণগাড়ীহু অমুকসু চঙশিন-হল্লকই।

করি খুদম য়েংলগা মাগী পোক্কম্নি হায়গদৌরিবা? কদায় অপাকপা পাংতুদি? কদায়, হৈনৌ হৈহৌবহুদি? অমুকসু চেম্বরকই মিংলুগী পি। পোকহৌরবা হমুবা-হমুবী কয়া লেপ্লি থাইনঙৈগী নিংশিংবা কুম্মৈহ য়েংলহুনা। হম্বরবহুনা খরায় মাওনা য়েংলিবহুনসু হমুবী মথং মথংহুদনি। মিয়া চোংগী হমুবী থীরিবরা? নিংশিংবা

কয়ানা মথক্তুদা অচৌবা পোৎলুমশুম্না ননশিনবিরকই। মমিং শামিবা মৃত্তিচুনা অতোপ্পা শাওরংনরিবশুম তৌরকই। থজাইগী অকুৎপদু অমুকনু মুংশিনহল্লকুনা নোক্লিবশুম তৌরকই। খোজেল ইহৌ হৌরকপা ঙৈশৈ অমা ওলকই,

ঐহাক অমুক লাক্লে
শরিক মখোলদু থোকহল্লবনি
শরিক মখোল তাবদা
নহাক থাইনদি থোরকতাই ?
কদায় লৌইনা হোংলে
কদায় শকথং খুদম
নঙনা কদায়দা লৈরিবা ?

মণগাড়ৌগী শরিক মখোলচুনদু মুংশিবা মখোল থোকহল্লকুনা ঈশৈদগী তান থারকই কিরিং, কিরিং, কিরিং।

১২নি চনবা সেপ্তেম্বর
১৯৭৮

অতোপ্পা মঙাল অমা

ঙসিদি মমৈদু ফেং হায়খিদ্রে। মৈথু কাত্রবা ফুঙ্গা মপান্দুগা তুম্পক তাশিন্দুনা লৈরি। নহালবা:ইদি অমম্বা কাদা মমিংত্তু মৈবুল-গুম লংখিবনি। ঙসিদি মমিংত্তু ইতুক তুকথরে।

'অচৌবা' হৌদোংনি। অহুইঙে মাঙ্গোলজাউগী মুপী কেতুকীনা মপামদগী পুরকখিবনি। মশাহু নোই-পেল্লি। ঙৌরোক ঙৌবা মচুহুদা মুশিন মুনা থরদং কাম্নহুগা নাতোন ঙমাংগী কোইহুগতা খেংহুনা কেতুকী চাক চাদবা ঙমলম্মী মাঙ্গোলজাউগী মচা ঙাওথ্রবা অমা লৈরম্মী। মমিং অচৌবা কৌই চহী মরী মপুং ফারকপা অহুনাইদা নাহুন। শিখিবদগী মম। কেতুকী অঙাওবীগী শক্লোন পুথি। ইকুয়-কুয়দনা হৌদোং মচা অসিবু মপাম চংপদা থেংনখিবনি। পিক্লিদৈদা য়াম্মা হুংশি। ঙৌরোক ঙৌনা মপীগী মনাক্তা কুন্দুনা লৈরম্বদুদা শিথ্রবা মচা অচৌববু নিংশিংলুদুনা থংহুং হেক হুংশিরুই। 'অতৈকা পুরয়োই, অসিতা পুরগে', অমুম্মা মপামদগী হৌদোংদু

'অচৌবা' অতুম্মক থোয়া। কেতুকীনা পুরকই।

শিথ্রবা মচাতুগুম কেতুকীনা অচৌববু লুনা তৌজে। চাক পীজবা মতম কায়হন্দে। সিলভরগী পুখম তেংকোং থওইনা লৈবীতুনা চাক থিবী। উকাবী অতাউবা, খজিং কাংহো তোয়না পীজে। শঙোম হুংতিগী পীখকই।

মাঙোলজাউদি ত্রাইভরনি। য়ুমদা পাক পাক লৈগন্দ। কেতুকী ফনেক লোন্দুনা মতম লেপ্লি। অচৌবনা কেতুকীগী মতম্পাক্তা ফমতুনা লৈ। মচা লৈখিদবগী বাখলনা মরক মরক্তা নাবা লায়না অতুদগীদি ফনা ফজনা নাহোক্লে। করম্বা হুংশিবগী হুকুৎনো? অচৌবগী ফনা শক্তি লৈ। মচা হুপা অচৌবগী শকম লৌতুনা কেতুকীবু শ্‌মহৎলি। চহী নিফুমগা হায়জিলক্লবী মো অরিবী অতুনসু চহী কুনহুমদোইতংগী মো নহানা মচা শেমবগুম অচৌববু শেয়জরকই।

কেতুকীনা চাক থোংলবসু অচৌবা কেতুকীগী মনাক্তগী স্লুকলাপ লাপথোক্কে। করম্বা খুদোং চাবা মশক খঙবননো, লুনা তৌবিবা মীশক খঙবনরা, কেতুকীনা কৌবদা অচৌবনা 'ভিয়াউ' হায়দনা তোকপা থক যাওদে। মতুদনি কেতুকীনা সংসার পুম্বা কাউবসু। অমুক্তং কৌবদা পেন্দতুনা নিপাল মাপল্লক হুজিল হুজিল কৌরবসু অচৌবসু হুজিল হুজিল থুম্মা চাক চাবা লোইরগা ফমুং চংবতু অচৌববু মমাং থাহন্দুনা চংখিয়ে। কেতুকীনা লুনা তৌমনবদগী ইমুংতুগী উচি অমতসু কাত্রবা অচৌবতু মথাদা চেৎনা কোন্দুনা তুম্মিয়ে।

অচৌবা শরেপ খংকা কাগৎলকপা মতম্মি। অহুবু য়াম্না কেরি। ন্নোংমা ফুঙ্গা মপান্দা কুপ্লিঙৈদা শগাইদা খঙ্বা হুংথং অমা তারকনা মথোংতু থানা শোকখি। অহুদগীদি অহুম লায়জৌখিহ্নবা খরা নৈরগদি অপাংপদোনা তৌথোররে। কেতুকী পাখৎচৈ। মকম-ময়াং খঙদনা ঈশিং অশাবা লুমহনা থোম্বী। দেতোল হাপ্পবদা ক্রিং ক্রিং কাওবা য়েংবা ঙমদহনা মথংগী হুম্মিংতগীদি দেতোল হাপখিরে।

অনাবতু অম্মুম অম্মুম পাকথোররে। অহুক শাথীবা ফিভম অমা জিব মচাহনা মাইওক্রুরিঙৈহ্নদা মথারোমগী হূই অরাংবীহনা অমুক চিকপীহনা হেন্না অমুক শাথীহল্লে। মমৈথংদদি পুমথবদোনা তৌরল্লে।

অচৌবনা নমথিবা মনম অমা চেল্লকপহ্নদগীদি কেতুকীনা অচৌববু মিরাইবা হৌগৎলল্লে। চানবা মখল শনবা অহুম মপীল্লে। মনাক্তি নকহল্লে। তোয়না কৌরুরে। খজিক্তং নকশিল্লকপগা শি শি হায়না তাম্থোক্লে। মমাংঙৈগুম মাং থাহ্না ইমুংদা চেনশিল্লুই। অচৌবনা কমুংদা চোংখৎলক্তিঙৈদা কেতুকীনা হান্না কাথ্মল য়েপশিনখি। থুজিলনা কাংথোন্দা খোরো খোরো খোৎপগী মনিলনা কেতুকীগী নাকোংদা হন্না হন্না য়ৈহনম্মু 'অচৌবা চৎলোমী' হায়বদগী হেল্লে। ফনা কুয়না 'ভিয়াউ ভিয়াউ' খোংলম্নগা অচৌবা উপু মথাদা চংহনা কুনখি। অহুগুম্বা অহিং মঙা-তরা শজিল্লকপা অহুদগীদি অচৌবা কেতুকীগী মমাং থাহ্ন চেম্নিংত্রমানে, থক চেল্লে।

কেতুকী চাক থোংলি। অচৌবদি লাপ্পা কাচিন অমদা করি করি থরা চারি। মশক কনা ফজরম্বনি। কেতুকীনা কনা মুংশিরম্বনি। ঙসিদি মহাকী অশোকপন্থনা পুম্নমকা য়েক্লবা ওইখ্রে।

কেতুকীনা কোল-লিক ফেংবা লোইরম্লনা তুম্বা হেক চঙখিবদগীদি অচৌবা ফোং ফোং শাব্রিবা ফুঙ্গা মপান্নুদা তপ্না চশিঙল্লক্লগা হৈনিংদনা কুম্থরকই। হিংনিংই। হিংদবা য়াদবনি। তঙায়ফদবনি। মতম লেন্দবা য়াদে পঙ্খোতুফাওবদি। ৱাখল থম্মনবগী থোপ য়াওদবা শাম্লনা মমাংউে মমাগা শুক্রু শুক্রু নৈনা লেনমিন্নরম্বা পুন্সি অদু নিংশিংলমগদ্রা? মনীং ৎংবা থোঙম্মদা মশা পুম্বগী শাফু পীশিন্দুনা তুম্পাক তাশিন মমিং তুকথম্লনা লৈবদু ৱাখল অমদি থনবা মাল্লি। অতোপ্পা পুন্সি অমগী অতোপ্পা ৱাখল অমা।

২২নি চনবা ডিসেম্বর
১৯৭৭

ঈশৈ লোইদ্ররি

কয়াম চাওনা ফজনা শকদোৌরিবা হুপা পালানে৷ খঙদে। হুমিং মঙানিরোম স্থরে মাইক পান্দুনা হরাগাড়ীদা লাউরক্লিবদি। কনাগী লৈরক-কোল্লাং, চিংথক-চিঙ্খা, সহর-খুঙ্গং চংদবা লৈত্রে মাইক পানবা গাড়ীহুনা। লমদমসিগী লৈপাক প্রজা খুদিংমক পাউ অহু তানরল্লগনি। শকদোরিবা মমিংশিংহু তাবদা হাওনৈ। ঈশৈনা কয়াম থুম্লমগবা হায়বহুদি তানকত্রিবনিনা খঙনত্রি।

“মী তরামাথোই-। ঝঙ্গ চাওনা শকদোক্লিবা অহুগুম্বা পালানি। টিবেতকী দরকার লৈতে। হলো, তাং" খা...
নোংমাইজিং হুমিং, হুপা পালা। নিংহল্লবগিম্মু, লমদমসিগীবু ওইরবদি মত্তোনদগী মকোক যাওবা লেঙশিনবিরকউ। হেক লোইবগা অচা অথকী খোরাংনা মরাং কায়না সেবাম্মু তৌজগনি। শোম্বদনমক্কী৷ মিংযেং তাবিয়ু। হুপা পালা। হুপা পালা।...”

অতৈ কয়াম্মু। শকদৌরিবশিংবু থাগৎপা। অতৈ অখোয়বা মশুং। লৈবাক ৱা ৱা লাওরে। খবর-কাগজ মুপা পালাগী মুপা পালা শাক্কা। স্কুল কোলেজগী চেকপল, ফক্লাং অহাংবা, চেকপল অহাংবা, হৱাগাড়ী - রিক্সো মনিং চোলোমগী চোলোম শাক্কা। নকশিল্লকপসিদদি পুং অৱেংমথায়গী পাউদম্মু লাউথোরক্লে। মুপা পালা কাংবুহু পৃথিবীগী অতৈ মফমদা মিংচৎ কয়াম থম্লক্রবা ? মহমদি অমম্মু অমম্মু জ্ঞান তানদে। ৱারীদি পংশাদা শানৈ। খঙবদি ঙম্মদে, খঙনদে। ওফিস থুদিংমক্কী, স্কুল কোলেজ থুদিংমক্কী নোটিশ বোর্ডতফাওবা মুপা পালাগী পাউ থেৎচিল্লকই। দুকান ফাওবদগীম্মু মুপা পালাগী এডভরটাইজ মতেং পাংশিল্লকই।

—উবদি উত্ৰি, হৈদি হায়নৈ।

হংলুবদদি অম্মুয়া লোইনা থুম্লকই এডভরটাইজ তৌরিবশিংহু। জ্ঞান খঙবা অথং-অহৈশিংনা মোৎ পৌনৈ, তুমিন্না অনি-অহুমতা ঙায়রবকান্দা৹

—নোং তারক্লুনা তোক্ৰয়নি।

অয়ূক্তু লৈচিল থাংদে। ওস্তাদদি তেনবা শঙ্গু শঙ্গু পাইরম্মী। পালা কাংবু থরায় হয়াওনৈ,

—নিংথিজনা শকপা ৱায়গনি।

মী কয়াম তিল্লবনো য়েংনবা ময়ুম ময়ুমদগী মীনাই থায়। কাই ফান্দোক্লে, পিতম য়েকশিন্নৈ, মিংশেল কুইনা য়েংনৈ।

অহুক চাওবা লমহাংহু মীনা শ্বায পানা তিল্লে। অয়ূক ওস্তাদগী লাকপা কাংবু, ময়াই ওইরপ লাকপা কাংবু, কাংবু কাংবু, কাঙম্মুপ্তি অনিদনি। পালাদি লাক্তি।

থৌরাং চাউনা তৌই। মকম খুদিং সাউন্দ্র বোঙ্গ থন্মী। য়াম্না পাক-চাউবা মকম শেম-শাই। জিজ্ব কুপ্নিবহুদি পালা শকফমগা অতৈ অকোইবদা চৌক্রি থারিবা খরুহুনীদা ওইনা তৌই। হৈ-শিংনা শেন্মী। চৌক্রি থারিবা অয়োইবা হেক পরেং অচুগী মথংদা ফজবা মচুগী শৌরিনা লোন-লোন্দুনা ফমফমগা লেপফমগা তোঙান-তোঙান তানহনখ্রি। চৌক্রিগী য়াংমদা মী লিশিং লিশিংনা লেপচবা য়াবা মকম অমা। জিজ্বগী হেক মথাদা সামিয়ানানি। শকফম ওইগদৌরিবহুদনা মখল-মখাগী নৈতেং। হায়বদা থোক্তবা নৈতেংগী মখলনা কয়া কয়ানি। মোইবুং খোংবনা ফমগদৌরিবা ফক মচাহবু কদায়দগী চেন্নুরিবা? মাগুব মপুগী ফম্ফম অহুম্ন কয়াদা য়েক-খোৎখ্রবা! ফকথল অনিহুদফাওবা য়াম্না ফজনা তোঙান্না মায়দে।

ভলুন্টিয়ারগী কাংবুহু অয়াম্বনা মশক থঙনৈ। অচৌ-অশাংগী মচা, দুকান্দার, ঠিকাদার ঙাক্তা ওইনা তৌই। মখোয়গী তরাম্বা ব্যবহারশিংহু পালাগী হুমিৎসিদা য়ারিবমখৈ উৎথোক্লবা লাক্লে। মোমোন তৌই খুদিংমক্তা, খুৎ থিল্লি লেপফমদা, লেঙশিনবিয়ু হায় ফমফমদা। পুন্নমক চঙশিন্নৈ, লেঙশিন্নৈ।

লেপফম'দ কুক কুক ইম্নরে। ঈশৈ হৌড্রিবৈঙদা হুমাং তারে। চাক্লি-ফিনিবা ময়াম অমনি লেপ্লিবশিংহুদা। ঈশৈ হৌড্রিবৈঙদা ঙাইরিবহু ঈশৈ লোইবনি। চৌক্রীশিংহুদি থনগদবা ফনা য়াংলি।

—পালা লাক্লে।

য়া লাওনৈ। ভাংবা ফবহুনা মাইকতস্থু লাউথোয়রকই। মিংথম অমত্তা ওইনা গেতলোমদা য়েংথোক্লে লোইনমক। ককচেং পয়েং লাকুম্পী কার পয়েং লাকপহু। মোতোর মখীনা মকোক চিংলক্লি। তোঙান-তোঙানবশিংহুনা লেপ্পহু রেলগাড়ীনা লেপ-কুম্পী। ফং ফং কুমথরকই ড্রাইভর ময়াম। গাড়ী মখুম শং শং হাংদোকই। মমাংথংবা কোয়েন কার তৱামথোইহুদপী কুমথরকই মন্দিল্লা পায়বা, কৈজোম শেংপা পালা তৱামাথোই। মথংপী কার অনিহুদপীনা মোইবুং থোংবা, মাগুব মপু। তোঙানবা কার অমদা কোয়েং ময়ামহু হাপ্পকই। কোয়েং হাপ্পকইবা পাত্রহু কয়াদা য়েক-থোংশ্রবা। পালা শেনবা ময়াম মরক্তুপী মী মখী চংহুনা কোয়েং হাপ্পা পাত্রহু থাংলকই থোঙথাং মায়হন্না। মাইকতস্থু থারি মিউজিকতা জণ-গণ-মণ।

ঙসাইমথৈ হাংলম্বা চৌক্রিশিংহু পালা কাংবুপা লাকমিন্নবা ময়ামহুপী ওইরমলে। অমতকাওবা হাংদ্রে হৌজিক্তি। পালা কংবুহু শকফমহুদা কোয়না লেপ্লে। মথং মথং মশক মমিং লাউথোয়রকই,

"ঈশৈ হনবিগদৌরিবা ভদ্রলোক অসি ময়ামপী সেবারি অমনি। ইরৈবাক সিদা শীজিন্নরিবা য়োংনা শাবা পোৎ থুদিংমক মরয়াইহুপী পাক্তননি। মমিংনা......"

মীয়ামপী ঈনিরনা ঙাইহাক নিল্লকই,

—করিনোনে কারবা য়ুয়ালাস্থু ঈশৈ য়াওগদৌরিবরা ?

লাউরিবহু লেপ্লে। মথং মথং ইকায়থুম্নবা য়াবা মীশক-

মীওইশিংফুগী মশক-মমিং তাক্লকই। স্নুরে, অচৌবা শক্তি পাম্নবমক্তনি। অচৌবা ওফিসার অনি অমস্নু ম্নাওরি।

ঈশৈ হৌরে। হেক হৌবগা কোর্তাল মখোল মরক্তুদা লৈ চন্দোল য়েনবা হৌরকই। লৈ-চন্দোলস্নু মচু মচুগী মহীগী লৈত্তেং ম্নাওবা গিলাসমক্তনি। লৈ চন্দোলফু চাগী খৌরিগী মপান্দা থাদোরকপদি লৈতে। মস্নুংগী চৌক্রি কাংবুমখৈতনা লৈ চন্দোল কংপা ফংই।

ভাইহাক লৈরগদি ঈশৈফু স্নুংভাইরকত্রা নিংনরম্বনি। খোনশি চংবা ভাক্তনা ঈশৈ-হনবা, খোনবাংবা, হুহার ওইরি। অহুক কল্পা তৌজবা পুং চোলোমফু কোয়েৎ অমত্তা নাম্ফোক্তে। তানিংত্রবা হৈনিংত্রবা স্নুরদা হৌনা শক্তৎনরকই,

—ভালো।

উইরুম উইরুম তৌরফুনা চৌক্রি মরক্তগী স্নুইট শেংপা নিপা অমনা ফমলাউ লাউরকই।

—তু—উ।

মরী-মভারক হজ্জিল হজ্জিল কাম্রবগী তুংদা হন্দক্তি মখোল শেংফাত্তনা খোংলকই মোইবুংফু। মাওব মপু অহাংবা গিলাস মমাংদা থম্নফুনা মমিৎ তরং-তরং ফক্লি স্নুমিদাংগী মকুওম। মাওব মপুগা মোইবুং খোংবগা য়েংবদা অভাং থরা ময়া কাই।

লৈজবা উৎখোকচরগে মতানি। হৈজ-হৈজবা, ভমজ-ভমজবা, শৈহেক হেক্তৎনরকই, লাউথৎনরকই। পৎ লাউনা তৎখোকত্রবফু

অমুকসু হৈরা লাউনবা হোৎনখৎলকই হুহাবহু। লাউনদ খোঙ্গ গোরো গোরো লাউবসু য়াউখৎলক্লে। অদুকাওবদা শক্লি অশৈবশিংহু।

ঈশৈহু হাইকেৎ কুমরে শকলক্লিবা। লোইবা কৌবা লৈতে। মপুক শিৎপা হেক্সিন্নরকই, মখিৎ কুৎথবা হেক্সিন্নরকই লেপ্লিবশিংহু। চৌক্রি কম্বা কাংবু অতাওবা মফৈশিংহুপা মচু মচুগী গিলাস লোবা লেপ্তুরি। পালা কাংবুদা থৌনা হাপ্লি,

—শকথখো, শকথখো। বা! বা! বন্দরফুল!

তানিংঙ্গনবা মোইবুংহু অমুকসু খোঙ্গৎলকই, তু—উ। অমুক পুং মাপানদগী হৌরক্লিবা পালানি। লোইহন্নিংবনা খোরো খোরো খোৎলবা ঈশৈহু লোইবা কৌবা লৈতে। য়াক্লবা হুংশাগী মথাদা লেপ্লিবশিংহু য়াইকৌ ফৌহুনা অহুম্মক লৈরি।

ঈশৈ হুনবনা কয়া হেকৎলকপগী মতাংদা খঙহৌদনা অতিয়াগী ফিভম হোৎলকই। থাজদনা মমিৎ কাকলকই। শংবায়রম্বা মচুহু মাংখিহুনা অমুবা নোংগী মপৈনা অতিয়াসি থল্লরে। গোরোং গোরোং য়খোলনা অতিয়াগী নিংথৌ ইন্দ্রনা পৃথিবীদা লান্দারগদবগুম তৌরক্লে। হুংশিৎ নিথৌ বরুনসু ইন্দ্রদেবগী মতেং পাংলরে।

'হন্দক্লি ঈশৈ লোইরবা য়াই', লেপ্লিবশিংহুনা খৈরে। লোইরমদাইগী ইয়াংহুদি উত্তে। নোংসু অমুক য়াওরক্লে। করম্বা ভাবোক মতানো খঙদে। নোংনৈ হুংশিৎ লাক্লফাওবা অমত্তা লেংবা কৌবা লৈতে। মপুক্লিংদদি খোইরেল মশা জোইনদি শান্নরবনি ঈশৈহু লোইহন্নিংবনা। অহুবু অহুম্মক তাদ্রি ঈশৈহু।

ঈশৈ লোইদরি। অহুম শক্তি। নোংসু তারি। ঈশৈ লোইশিন্নবা নোং মরক্তা ঈশৈ তারিবশিংহুনা ইরাং অমা তৌরক-মৌরিবরা? লোইদি লোইথিরোইদ্রি ঈশৈহু। অতিয়ানা লাম্ভায়রক্লবা, মমিং কাকচিন্নরক্লবা, বোম হৈথররক্লবা মতমহুকাওবা অহুম শক্তি ঈশৈহু।

১২নি চনবা আগষ্ট
১৯৭৮

হুমিংলৈ

—কৰিনো খল্লিহৱু ইনে ?

বলৰামা হুমিংলৈদা হঙলকই। গঙ্গা থকপা লাক্লবা পাথং ময়ামক্তু অমমম অনিনি চংনখিতুনা বলৰাম মথন্তা ঙাংৱহৌৱে। হান্নবা খুলগী শগোল তোংতুনা লাক্লগা মহাদেবগী লাইমাংস্থ লাল্লুৰবা বলৰাম ফক অমদা কল্লগা উখোংদা ঙাথতুনা লৈৰি।

—ঙসিসিবু হলহনবনা ফগদৌৰিব্রা খল্লিবা।

হুমিংলৈনা হায়ৰকই। অচাইবা ময়ামক্তু লোইশিল্লহনা হুমিংলৈস্থ তুমিন্না বলৰামা ফল্লিবা ফক অতুগী মচি অমদা ফমহনা লৈৰি।

—তুমিন্না বাৰ্ত্তন লৌশিনবকা লৈৰবজাৎলো ?

বলৰামা লঙ্গহনা হঙলকই।

—হোইদা, হোৱেন লাক্তা লাক্লগা মনিংথোংদা শোং লাউনা ফাওদোকত্ৰবস্থ ৱাইদা।

—মাম্মসি লাক্ত্রবস্মু হেক ফগদোবনি।

বলরাম্না থম্মোই শেংনা হায়রকই। মুমিৎলৈনা করি থল্লমগনি? মতুমদি বলরাম থল্লুদে।

—নঙনা ঙরাং থোকথিবতু কনা উহৌই?

ঙাইহাক্তং তুমিন্না লৈরবা তুংদা মুমিৎলৈনা হঙলকই।

—করি তৌরবগ?

—নঙগীদমক খনবিবগী রানি।

—ঐদি নুপী মুকথিবু থিবরোইদবসিবো।

বলরাম্না নোক্তুনা হায়রকই।

ইংথমথা তম্থায় চনশিল্লক্রবনি। ইংশিল্লকই অনিমক। বলরামস্মু মুমিৎলৈস্মু মুমিৎলৈগী কাদা চঙলক্লে।

মচানুপী শান্তিনা য়াহৌ থেংই হায়তুনা মমাবু শাওরি। চোকথরবা হকচাংতু থাংতুনা মুমিৎলৈ কদায়দস্মু চৎনিংদে।

—বাবা হেক লৈরবদি ফগদোবনি। লাক্কনি হায়রগা লাক্ত্রমানে বাবাতুস্মু।

শান্তিনা ইমুং রাই শিংলতুনা চবেং চবেং ঙাংথরকই।

—হায়, করি কাম্নবা চবেং চবেং ঙাংলিবনো? নঙনা তৌগদবতু শৎ শৎ তৌবা য়াক্রা?

মুমিৎলৈনা ফমুংদগী চৈরকই।

—ঙাইহাক লৈরবদি ইমুংসি মীনা থল্লগনি হায়রানি।

শান্তিস্মু শাউরংননা খুম্নকই। মুমিৎলৈ হৌগৎতবা য়াদতুনা

হৌগৎলক্লে। মচীন-ময়া শেংদোকই। বলরামস্মু পরপ পরপ অমুক লাকই।

—হাইমা। তাবলরামদি ওস্থোক্লা থুনা লাকখ্রেদা।

শান্তিনা বলরামদা লক্লরকই। কুইখিদ্রি, নোং ভাল্লকপদা থোকখিবদা ভায়রিবনি বলরামহু। অমুক ফমথগদোবগী লাক্লিবনি। পাথং অতৈস্মু অমমম অনিনি লাক্লবা হৌরে।

মমা মচাদংনি হুজিক হুজিক ইমুংহুদ লৈরিবহুনি। হুমিংলৈগী হুপাহু কম্পাউন্দরনি। তহুবীদা আউটপোষ্ট তংহুনা লৈ। পাক লাকপিবা নত্তে। অমুক অমুক লাক্লুনা লৈরবহুস্মু অভাওবা শহুম্নি। য়ুথক্লুনতা লৈগনি। পাথং মরক্লুদা য়াচোই ভাংগনি। হুমিংলৈদা কুগনি। হুমিংলৈদি অমুক্তবু চংলুদ্রি। লাক্লে হায়রবস্মু মপুরোইবনা য়াদে। মচাফাওবা পোক্লুনা লৈরবনি। মীনা কানা কানি ভাংনৈ। মচাহুপা অহলহুস্মু গঙ্গা য়োনগহু হায়বা য়াদে হায়হুনা হুপী ময়ুমদা য়াওং ইন্দুনা অহুম্মুক লৈশ্রে। চহী অমমুক ফারে মচাহুপা অমা কংজখিবহুস্মু। হুমিংলৈ মশু কংলবীনি।

—নহা ওইরিভৈদা ভারিদা ফজরমগনি।

মসিমদি চঙলকপা পাথং খুদিংমক্কী মতনি। খেপ্লেল অহুনি চঙলকপা খুদিংমক্লা শুস্নাংলিবনা। পাথং খুদিংমক্লা পামজবস্মু শুরীবহুনি। বলরামনা হুমিংলৈমক্লুদা তত্তনা হায়, 'ইনেগী য়া, ইনেগী খজাই'। শক্তি অমদি লৈ হুমিংলৈগী। শক্তি মচাহুনা শসিফা [illegible] নি। পাথং বলরামহুদা করি মক্লবু পীনবি- [illegible] বল [illegible] হুমিংলৈগী নাক্লগী লাপথোক্লে।

'মুমিংলৈ' হায়রদুনা অমুক্তং কৌরমলগা থোঙদা কাক কাক থিল্লকই। নোংমাই য়েৌরবনি। বলরাম্মা পোদোলদু থুনা মুংথংলি। তুমিন্না হঙলকই,

—কদোমদা থোক্কনি ?

—মনিং-থোঙলোমদা ফাওদোকখ্রে।

মুমিংলৈস্‌ তুমিন্না হায়রকই। বলরাম থোংগ্রাও থুনা শেংথিন্দুনা থোকখ্রে। হন্দক্তি থোঙদু মখোল হৌনা থিল্লকই। ফাইরপ তৌরবা থোক্লেলদুনা হক্তিল হক্তিল কৌরকই,

— মুমিংলৈ, মুমিংলৈ।

মফি-মরোল লোইশিল্লবতুংদা মুমিংলৈ থোঙদু তপ্পা হাংদোকই। মমিং নোইরদুনা হকাম লাওনা চল্লগা হঙই,

—অসুক থেঙলকক্রিবা করিগীনো ?

—লম্বীদা গাড়ী বেরা তৌদুনা অমুক লৈক্ৰে।

মুমিংলৈগী মুপানা খুম্মী। ইমুংদা চঙলক্লে।

—বলরাম ঙসিদি লেক্ত্রবরা ?

করেন্নদুনা হঙলকই।

—ফিদুদুম হাম্না হোংদোকপিখো। হেক লাকপগা নিংথিজুংঙাইবা অমত্তা হায়রোদবনি।

ঙাইহাক্তুদি থোইদোকপা বা ঙাংনদে। ফি হোংদোকই। মুমিংলৈনা চকুদগী চাক থিদোক্লুই। লকু ইরোনবদু তেঙ্গোং থম্মা হাপ্লগা পুথোরকই।

—ঐদি চাক চায়রোইদবসিবো।

মপুরোইবনা হায়রকই।

—খরা চাও কৈদৌরবগে।

—চানিংদেনে নখোয়গী লফু ইরোনবহু।

ঙাংনা ঙাংনা লিক্লি অমা পুথোরকই। গিলাস অমগা চাকলুক মপান্দুদা ফমথরকই। চাকতি ইচা চাদে। লিক্লিদগীহুদি ফনা য়াম্না তকশিনখ্রে।

—বলরামহুবু মুংতিগী লেকই হায়ববু চুম্ব্রা ?

খোঞ্জেল লোরপ হঙলকই।

—ৱারম্লনি। তুমহুম তুম্লসি। মতম অসি থেঙলে।

মুমিংলৈনা পূম্নমক ফাথনবা লাক্লরকই।

—ৱা থৈবগা মুকয়া য়ারোই। অশেংবা পাউথুম পীগদবনি।

ৱা কনশিন্না ঙাংলকই হন্দক্তি মপুরোইবহু। মচানুপীসু মিকপ থোক্লে। মপা লাকপগী হয়াউবা ফোংদোকফম লৈতে। কুম্মৈহু কাঞ্জল মনুংদগী য়েংহুনা লৈ। মপানা মখা তারকই,

— নখোয়গী ইশ্বোলসিদা লৈবসি পেল্লবনি। লৈহৌরো নঙসু নঙনা থোকপা।

মুমিংলৈগী মমা মপা অমতা লৈত্রে। মবুং মৌপুরাসু লৈতে। মুমিংলৈগী মনেম্বোক্তুনা মুমিংলৈবু কয়া পামদে। তঙ্গনা নৈমনবদগী খাংবা ঙম্লক্তহুনা মমা-মপাগী ইশ্বোলহুদা লৈখিবনি।

— ৱা কা হেল্লকনু।

মুমিংলৈ হন্দক্তি শাউরকই। মখা তারকই,

— নঙনা ইমুংসিগীবু করি য়েংলগে ? নঙগী তঙ্গনা ইমুংসিগী পোৎলুম করিবু পুনবা য়াওখ্রবগে। নঙনা তৌবদি য়ু থকপদনি, মুপী থিবদনি।

— নচিন্দু শেগায়নি। শকসিনসু পাখং পাম-শারিয়ে।

— নঙোন্দা লৈহুনা লোইনা মাংলবনি।

— ইমানা য়াথিদবহু অহুননিনহে।

— হায়গে হায়রগা অচুম্বা হায়যু, নঙগী নভৌহুনা ইমাহুনা ঐঙোন্দা তাইনখিবা নত্রা ?

মানি। খোঙুল তানা হিংবা য়ারম্বনি পুন্সিহু। পুন্সিগী ঈচেল অসিসু অঙকপনি। মসিমক্তা কনানসু পুন্সিবু মচাখায়না তাকপা ওমদবনি। মপুরোইবনা অমুক হায়রকই,

— থেঙনদহুনা তৌবনি। পাসু পায়বদি কন্যাদান কৎপী-গদবনি। মমৌসু ভিন্নবা য়াদে। মচাসু লৈকম থঙহনদে। লোইনা পুম্মাং-মাংলবনি।

— ওকএ। তোকও। থংঙে। নঙনা করি তৌবা, ঐনা করি তৌবা লোইনা থংনরিঙাক্নি। মপীনা য়েংবিত্রবদা মচাদি করি ওইবা হৌনৈ ? কৌরক্তাওবদসু লাকপিথিদবহু নিংশিংবিয়ু। তহুবীদা অহুম উংহুনা লৈ'খবহু। সিদা লাক্লিবসিবু শাউবিহৌ-দেকো।

— মহা ওলথীনি নঙ। নঙগী দ অহুনি। নরৈদি তিংথোক্ল-রোইত্রা। তুমথনবা হোৎনৌ নথৌরিহু য়েংথাইগে।

য়ান্না থেঙল্লিক্লে অহিংহু। য়েনখোং কায়বা য়েনবাদি খোংবসু য়াওরে। হুমিংলৈ মিং উইশিল্লু য়দে অহিংহু। মপুরোইবা লাকপগী তবামগদবা হুমিংতু। হিক্ল-হিক্লনি থম্মোইহুনা কপ্পিবা, মঙল-মঙলনি পুক্লিংহুনা নিংলিবা।

মুমিদাংন্নাইরমহ্ হান্নগুম মী পুল্লি। বলরামতংদি ম্নাওদে। ঙসিদি মুমিংলৈ ময়ামগী মরক্তুদা ফন্নুরে। ঙা শেমহুনা লাণ্ডক্লা লৈ।

—ঙসিদি ঙাগা থোংদৌন্নিপোৎনিদনা।

থোইহুম্না মনে মুমিংলৈদা লক্লমকই।

—অং। নঙগী মাম্মহ্ ঙরাং অহিং থুংলৈ।

—ইসে ইসে, ইবেম্মগী মপাবুং লেংঙইপোৎনিদনা। ঙসিদি খরা থুনা হলহৌবনা ফগদৌন্নিবরা ?

—অং অং। নত্রবদি হোরেল ভাযন ফনা তাবরা কনানা খঙনো।

হাইফেৎতং মোমোন তৌরহুনা নাতৈ চানা খুম্মী। শান্তিম্ন ঈশিং শোল্লুবগী সনাবুল অমা নাকন্দা য়েপ্লহুনা হল্লকই মচানুপীদা নোক্লহুনা য়েংলগা থোইহুমদা হংলকই,

—ইচাসে লৈশাবী ফারত্রা থোইহুম? হঙ্গামপান মতুপসি নহাল চাক্লৌবা মুমিংতা মপানা লৈবিবনি।

ঙাংনরিবা ময়ামহ্ ইতা তাদবগুম শান্তিদি চাকখুম মৈ থাগৎখ্রে। মচানুপীদা য়েংলগা মুমিংলৈ অমুকম্ন নোকফেৎ তৌই। ঙসিদি ফন্নিবা ময়ামহুদা থৌশাবম্ন উৎতে। ঙা মতুপ-মতুপ্ত, মশিং খিদোকই। তাঙ্গাহুদা মপুন্নোইবম্ন হল্লক্লে। মন্নি মন্নি তৌরে। মপুন্নোইবগী মমিৎতু ঙাংশং ঙাংই। নহারোল মরক্তুদা ফমথরকই।

—মাম্মা পান্নবিগত্রা ?

খোইতুম্না কংকরগু লানশিল্লি।

—থার্ড ক্লাস। খোইতুম, ঐখোয়বু হৈনরমদোবকা মানত্রা ?
অঙাংবা, অঙাংবা লৈত্রা ?

ফাগী মালহন্না করেম্নরকই।

— মাম্মা কৈদৌউ ?

—ঙরাং লাকই। হয়েং চংগ্রনি।

ইশম-শম্না খুন্নকই। খোইতুম্না মুমিংলৈদা হাইকেং য়েংশিল্লুই। মুমিংলৈ লুকথখি।

মী মথল-মথেলনি মুমিংলৈগী অনানবা চাকশংতুদা তিল্লবা মথল-মথেলশিংতুনা কাংবু-কাংবু মুমিংলৈগী কাদা লাক্লম্মী। অমুক হেক্তমক চংখি। মুমিংলৈগী মী বাংতে। মরোল অমনা শিলহৌই। থোকখিবদা নিংথি-মুংঙাইনা হায়বিরম্বা মীদি অমত্তা য়াওদে।

মুমিংলৈগী মচামুপাতু অনৌবা মচা অমা ফংগদৌরে হায়বা পাউ তারে। নোংমা মুমিংয়ুংবা অতুবাইদা মুপামচা অমনা পাউ লাকই,

—ঐখোয়গী ইচেতু অঙাং উন্নগদৌরে। কনামফাও লৈহৌদে। ইমাম্মু লবাইদা চংখি। ইনেবু ইবাইনা থরা কৌরুচো হায়তুনা লাক্লিবনি।

ঙাইহাক্তুদা অতৈ করিমত্তা নিংশিংলুদে। মচামুপীদা ইমুং য়েংশিন্ননবা হায়রয়গা লাক্লিবা অঙাংতুগা পরপ-পরপ থোকমিন্নরকই।

মগুমুপা অহলতু মিঙাই তৌতুনা লৈরম্মী। লাকমিন্নবা অঙাংতুদা লুপা অমা পীরগা কবোক লৈহল্লি। মাইবা-মাইবী

অমত্তা কৌরমদে। মচানুপাহুস্নু ইপং পংশিন্দুনা লৈরম্মী। ৱিল্লো অমা ৱাররগা হোসপিতালদা পুথৎলে।

ইকান কান্নদে। হেক য়ৌবা ঙাইহাক্তং লৈরগা ঙৌরোক ঙৌবা মশুনুপী অমা ফংলে। মচানুপাগী মনেম্মোক্তুনু লাক্লে।

—ইমা নঙ ইবুংঙোচৌবহু থন্না লৌবিরম্মু। ৱাননি কন্নি কান্নবা হল্লো। নিঙাই কনখ্রবা অঙাংনি। অমুক্তোইবা লোয়-ন্নগদবনি।

মচানুপানা মুমিংলৈদা হায়রকই। মু মিৎলৈ হোসপিতালদগী হল্লক্লে। মশুনুপাহু লৌক্লগা ময়ুমলোমদা লাক্লে। ময়ুমদা হান্না চঙদে। কৈথেল তান্না হাইগৎতুনা কোমলা অচৌবা অনি প'ইহন্দুনা মশুহু পুরকই। মচানুপীমু মাঙ্গোলদা লৈরম্মী। মশু উবদা চেম্মোরকই।

চাকশংদা পাখং মঙা তরুক ফমলম্মী। বলরামদি চঙলক্লগা অমুক থোকখ্রে হায়। অঙাং অমা পুশিন্দুনা চঙবহুদা ইবোথোয়না হঙলকই,

— কনাগী মচানো ইনে ?

—·ইশুনুপা অহলনিনে।

নহালমথৈ খঙলমজ্রিবোইয়ে মত্তাঙুম হায়রকই

— সিমত্তা ঙায়ৱিবরো ?

কালুবিনা অমুক হঙলকই।

—ঙসিদি অনি শুহৌরে।

ৱায়া পেঞ্জবহু উৎলহুনা নোক্তুনা খুম্মী।

—ঝাল্লা ন্নংঙাইরিপোৎনিনা ইনেবোয়দি। খুৎকন-পাজনবা হায়বন্থ্ ওইৱেদনা।

খোইহুমা লক্লরকই।

—মশক ফজেনে।

—মমিৎসি ন্নংশিজ্রা?

—খজাইসি খোন-খোন লাওই।

মথং মথং হায়নরকই। ন্নমিৎথৌগী মশমন্থ্ নানবিরহুনা নোক্কনা তায়।

—ইনে কৃষ্ণ শাহনশি।

ইরোই ল্যোইবদা খোইহুমা হায়রকই। ময়াম বা লাওনা নোকই। ন্নমিৎথৌগী নোকচৈ। মশুন্নপাহুদি খংকপ কপথোকপ্রে। শকফম খংহন হজিলহুনা ন্নমিৎথৌনা হায়রকই,

— অঙাংগা লোইনা কিয়ে। খিৎ লক্লরন্থ্।

ন্নমিৎথৌ মশুগী কপ্পা থেম্মী। ময়ামদা হঙলকই,

— নখোয় হিদাকী পেশা পীনগদবগা য়াওরিব্রা?

— য়াওই য়াওই। মশুগী অচাপোৎ লৈবিগদবগী ওইরিনি।

খোইহুমা লুপা অনি পুথোক্কনা পী। ন্নমিৎথৌনা পৈশান্থ্ মচান্নপীদা পীরহুনা হায়রকই,

- ভবেক্ষ্ম সে। গিয়াস বোলন্থ্ অনিদা লৈরকউ। হুইত্রোম ন্নকান্দা ঝায়া য়াওহোবনি। চৎলু খুনা লাকউ। লংন্থ্ খরা শাংনা কিংহলকউ।

ন্নইদে, শান্তিশ্ন্ গ্যাস বোল অনি পুন্থনা লাক্লে। "হুন্দক্তি

মতুংপাহ্ কল্লিংবগী মমি ফাওবা ভাখিল্লে। মখিং ইরাং ও-সাওনা পাইখৎলিবা বোন্দু য়েংছুনা মথুত্তগী লংহ্ চিংথৎ-চিংথা শান্নরি। ময়ামহুদা অকিবস্ু পোক্লুদে। খোইহুমগী নোক্লিংবা শত্তমতুদা য়েংলহুনা ময়া তিনচাবহৃত্নুম খিগৎশিল্লকই।

—ভাওশিন্নত্রা ?

হুমিংলৈনা নোক্ুনা হায়রকই। বলরামস্ু চঙলক্লে।

—য়ৌরক্লেদনা ?

বলরাম্না হায়রকই।

—ইতুংপা অহলনি চাওরত্রা ?

বলরামগী পাওখুমগী মহুত্তা হুমিংলৈনা ওইনা হংলকই।

—কনা কনা সাইকল য়াওরকই ?

—ঐগী য়াওরকই। করিগীনো ?

ইন্দ্রমনিনা খুয়রকই।

—খুজি মপোক চাওবিহ্ জুরা অনিতা লৈবিরবা। কয়াগা পীরমগনি ?

—কয়াম পীরমনি হায়রগে, লুপাহ্ পীরকউ।

—কজবা থল্লকউকো। সাইজ থংওদ্রো ?

ইন্দ্রমনি খুজি লৈবা চৎখ্রে।

ভাইহাক্তত্না হুমিংলৈ ইরাং অমনি। ভসিগী হুমিংলৈ গী লৈশাং খুৎতমতুগা মাল্লদে। মতুংপাহ্ শাক্লামক্কিরা খিজসি হায়হুনা মচাহুপীদা শক্লোমক্কির য়েংহনখ্রে।

খুজি লৈরুবস্থু হন্নক্লে। মগুদা খুজিহ্ শিজিন্নবিরে। মচাস্থুপীনা শঙোমক্ষির ইনবীবস্থু লৌখরে।

— পুন্নি অমতা পিরকউ।

বলরাম্মা হায়রকই।

— হেরা পংথক থকচিন্নুরম্না। শিবু শিরনি পংখত্না থকচিন্নি

— খঙত্রে 'সি ম্নোরদি জ্ঞান ভশিন্নক্তে :

বলরামগী বাহুদা ময়াম বা লাওনা নোকই। ছুমিৎলৈ না চুংবিদে। বলরামদা অমুবস্থু হংলকই।

— বলরাম নঙবু করি তৌরিবগে ?

— তৌবা হায়বদি ?

— থবকী বানি।

— আশা লৈত্রে। ভুস্বা বেরা। হুংঙাইদা, ঐঙোন্দা থবকী বাগা হঙ্গৎলক্লে। ময়াম ঐসিবু মীনোকা মান্নব্রা হায়বী ? ফরে, ঙসিদি ঙাংনিং ঙাংনিং ঙাং য়ানবী।

ময়াম অমুকস্থু নোকই। শঙোমক্ষির ইনবীবা লোইরহুনা মচাস্থুপীনা ছুমিংলৈগী ভম্পাক্তা মগুহ্ থনয়গা অমুক থোকখরে।

পুং তরেৎমুক তারে ছুমিদাংগী। মচাস্থুপাগী মনেম্বোকতু লাক্লি হায়রহুনা মচাস্থুপীনা পরপ পরপ চঙলক্লগা ছুমিৎলৈদা তাক্লে। ইমুংদা হেক্তা চঙলকউ হায়য়ু হায়খি।

চঙলক্লে।

—করিমফাও তৌহৌদরে। নচাস্থুপাস্থু নোকহৌরমনি।

করিনো, মবানিমক অমুক্তোইবা হয়াওবনা। অঙাংছুম্ব করা চাওরগেদো।

মুমিংলৈনা কৌত্রিঙৈদা মচাম্বপাগী মনেম্বোক্তুনা হান্না বরং বরং হায়থরকই। 'ইনম্মা' হায়দুনা মুমিংলৈম্ব হাইকেং লোকই। মচাম্বপীদা মোরা অমা পুরকহল্লি হেক ফমথবগা মনম্মনা অমুকম্ব শমথরকই,

—শুম লৈজরসম্ব ঙসিদি হায়দুনা হায়বুদি হায়নরবা। প্রতিপাক ওইদুনা হেক লৈরম্মী। মমা মচামক ইহাং হাংদুনা লৈহৌবদুম্ব হেক মুংঙাইত্তবদো।

মণ্ডমুপাদুদা ওম্বিলগা অমুকম্ব হায়রকই।

—ইমাইপেম্মা, ইশুদি মীরকা ৱায়া তিল্লম্মজাংনিদনা।

—ঐম্ব চাক পীজরগা থিল্লগে হায়দুনা তৌরম্বনি। মনেনা শঙ্গোমক্কির থরদি হৌদুনা পিজরবনি।

নুমিংলৈনা হান্নরকই।

– ইশুদি শঙ্গোমক্কির চারে,

নোইরেহৈ নোইরেহৈ, নোইরেহৈ নোইরেহৈ।

মণ্ডমু শমদুনা থাংগৎ-পাংদা তৌদুনা মচম্বপাগী মনেম্বোক্তুনা লুক্কে। মণ্ডমুপাদুম্ব লাইদে। মশিং শুত্রিবা মরাদু উৎতুনা হজিন -হজিন নৌক্লি।

ৱারী পুম্বা শুকনিং নিংশিংনুদনা ইকাং কনবী থম্মোইদুনা দলান ৱাংনা শাগৎলুই। লৈঙোইগী দলানদু নোংলৈ মুংশিং মরক্তুনা কৌংফাং কিহবা হৌরকই। মণ্ডমুপাদুম্ব মবোক অমা

চঙলকপা অহুদগীদি হুমিংলৈগী মনাক মুংনক নকউ য়াখিল্লে। শেংঙাংতবা খোঙ্গেলহুনা 'চংলসি' হায়রহুনা অনৌবা লাকপী মবোক্তুন্দা শিরি-গিরি তকথংলকই।

পুম্রে। পোহুনা পুম্রে।

—নিশা ভারিদা পানথংলকইহে।

ফাক ফাক নোকথোক্লুবগা খোইহুমনা হায়রকই। ইরাং পুহুনতা লৈরবা হুমিংলৈগী মিস্না অনিহুগী মচুহুদি অঙাংবা মচুদা চোংলি চোংলি তৌরহুনা শকফম ওনখ্রে। করিগুম্বা কা অহুদা কনাম্মু লৈরমত্রবদি মচু ওল্লবা মিস্না অনিহুদগী অয়ুকী লিক্লাগুম পি মরিক অনি চেম্ত্তরক্লম্বমু য়াই তপ্না-তপ্না।

২০নি চনবা নভেম্বর
১৯৭৮

মেরাগী থাবল

মোমোন নোকচৈ। খুত্তা পায়রিবা থরসিনা চেং কিলো অনিদংদি য়ানবা ঙমজরগনি। মাইরেল মশুং অমত্তং নত্রগম্মু হজ্জাম মপুল অমতংগম্মু যাওশিল্লুবা ঙম্নগনি। য়াচেংকী কম্পাক মথক্তা মপুক ইহাপ হাপ্পা তুমহ্না লৈহৌবা মশু অহুম উরকই। গরং গরং হেক চংতুনা পরপ পরপ থোংহ্না মশুশিংহ্নবু হোথে হোথে পিজনিংলকই।

থাংজিংহু কনা কজনদি লোরে। হংগে ত্তৌই।

— হংলরোইদা।

থরগা অমুক চংশিল্লি।

— পান মথাসিদি কয়ানো?

— সিকি অহুম?

য়োজিবীহ্না খুলকই।

— ইস।

কবোক্লে অমুক তরুরমদে .

—সেবোৎসিদি ফজখ্রেদা। কয়ানো ?

—লুপামখার।

অমুক হৎলুত্রে।

—চেংসিদি ?

চেং য়োনবীছুদা অমুক হুংই।

—অনি হুক্ক্।

—ইমাইপেম্মা।

পরেং খুদিংগী হঞ্জিল হঞ্জিল চৎলকই। খণ্ডদে মাগী শেঙ্গাউদা লুপা কয়া য়াউরকপা ? লুকমাই খুদিংগী মাগী য়াউরকপা পৈশাগা চানবা মমলগী পোৎ থিরকই।

—লাইবকসিস্থ ওস্থোক্লা থিগ্রবা হায়রবছুনি।

চাউবা মিয়াঁ রিক্সোগী খোঙনেং অহু লংন্না উংলছুনা চিন্তা তৌরকই।

—হোইদা, ঐনা মাংদনবু কনানা মাংগনি ? মী কয়ানা হঞ্জিল হঞ্জিল কয়গদৌরিবা সিটকী মখাদা লুপা কুনবু ইকোম কোম্না খয়্বা। অহুবু মখোয়দি ? ঐনা হঞ্জিনখিবদা উচেক মচাশিংনা মপী ভাইরম্বগুম ভাইহুনা লৈরমগনি।

বিভুলা কোকথোং নারকই।

—অয়ো ইমা !

চাউবা মিয়াঁগী রিক্সোনা থেংহুনা কবোক্লে তুশিল্লি। কয়বা মতমদা পুলিস ষ্টেসনদগী শামুমথোং য়ৌয়ল্লিবনো ? চাউবা মিয়াঁ

ভাব তাদে। কয়মা নতমদা খিক্সো লাকখিবা ? কবোক্লে খনবগা মমই।

কৈকেথেলদা হৈলেরম্বা মী খরা হুপচিন্নরকই। ভাইহাক্তংহুদা মকমন্থু মীনা ইকোম্ন কোয়। থোরাখাউদা হান্নকপা হুংকুপ মরাং কান্ননা মাওবা ভৌতক্রবা মহুৎ পোবা চেংশিংহ্ খুমিং নিনি লেগুনা চুম্নকপা নোংজুনা মীয়ামগী খোঙ্গুলবু লৈখোম থোকহন্নবা মহীহুদা লোইনা ইক্লপাখ্রে।

চাউবা মিয়াঁ মীয়ামগী কিন খরা চারে। খুবাক খন্নসু চারে। পুলিসসু ম্নোরক্লে। পংচাও-চাওদবা ঘতনাহু মখোয় অনিনা লাকশিনবদা বানা থোক্লে। ইরাং মরক্‌দা মুংগী মুত্তিগুম কবোক্লেদি মুংহুনা লৈরি।

—পেল্লিহৈ।

—মুংঙাইহাম্ন!

অশেংনা হাইরং-তুরংবমক্তি নত্তে। মরক মরক্তদি মখোঙশিংহু কারন চনগে ভৌরকই। নিপা কৈথেল ফাওদোক্‌না মক্লপ অনিহু থোরকই।

—ভাই খিক্সো তোংখ্রসি টোন ম্নাউদ্রব্রো ? মুংঙাইবৈ মুংঙাইবা হবা ওবৈ হরাওবা অহুম লাং-লাংহুনা চংখ্রসি।

অমনা হাম্নরকই।

—লাল পৈশা অমতা ম্নাওদ্রেবু। খিক্সো তোংববু ভারা-অমুক তিংনখিদ্রনে মিষ্টর ?

অম্নহুনা খুম্নকই। মী ওমশিন্নরিবহু উরকই। মবানিসু

কুমৈ্ম য়েংবা চংশিল্লি। মবানিগী ময়ত্তা মকোই থাকপছু ঙাংব-শকপা কৈ। নিশা পাল্লিবনিনা থৌনাস্থ ফরি।

—কয়ম হায়না তৌনরিবনো ?

মহাক্না হংই।

—বদমাশসিনা ইমাদা থেংজিল্লিবনি।

অমনা খুল্লকই। মকোই থাকপছু চাউবা মিয়াঁদা অমুক ওল্লিনখ্রে,

—হাই, কৈগীনো নঙনা ইমাদা গাড়িনা তল্লিবদি ? নমিৎতু কদায়দা পাল্লি, হা ?

শেং লাঙনা থাজিনবি।

—খুরুম্মু ইমাদা। নত্রবদি কয়া মথোং চারোয় নঙ ঙসি।

—ইমা লল্লে।

চাউবা মিয়াঁনা কবোক্লেদা খুরুমই।

—চীংমৈরোংদা চৎলু। ঙসাইনা লাল্লে হায়রগা লোইর-পোৎতুদা।

ঙাংবা শকপা ফবছু পুলিসতা অমুক ওল্লিল্লি,

—তামো মীয়াম তিল্লবদি ফত্রে। ঐখোইগা অত্থম চংমিন্নজ-খ্রগে। ময়ামস্থু লেংবিয়ো।

পুলিস অনিছু চংখ্রে। মীয়ামস্থু য়ানছুনা হল্লখ্রে। চাউবা মিয়াঁ চিংমৈরোং তান্না রিক্সো থোরক্লে।

ডি, এম, কোলেজগী গেট মপা য়ৌরকপদা মেরাগী থাবলছু ময়েক লাবা হেনগৎলকই। ঙাইহাক লৈরবদি মমশিল্লকপস্থ য়াই।

থ্যাগী মনাক্তা অমুবা লৈচিল অমা হাইফেং পাক্না লৈরি। সোরোক মপালগী অয়াংবা উ-পাম্বীশিংনা তুম্প্রক্না হৌবহুদা অকিবা খমথেং-লবা মুর্তি কয়ানা মরৈ তিংথোক্তনা মাবু ঙাইরিবোই নিংলবক্ট মেরাগী থাবলহুদা।

২৫নি চনবা আগষ্ট

১৯৭৭

অমুম্বা থোকপস্থ য়াওরম্নগদবা মাদিশঙ্কুক্রে

—নপুকচেলদা শেংউ ইবো, পোরোমপাৎ নামা পানবিনি, লংফলপাৎ নথস্তগী ওইহনগে।

মাঠা বেরা থরা লৈবগা সহর মচাস্থ নংলুদবগা অমুচৌ চন্দোন চরা ইয়ং-লংনা থিলহনা চিফ-ইঞ্জিনিয়ার কালু সাহেবনা হায়রিবত্থ শোইদা শোইরোইদবগুম থরায় য়াওনা তায়।

—সাহেবনা উপাই তৌবিত্থনা ঐবু মী ওইনবগদি শেম্বিয়ু।

অমুচৌস্থ থম্মোই শেংনা হায়জৈ। কালু সাহেবকীদমক্তনি হায়রবদি অমুচৌস্থ থরায় ফাওবা থাগে থগ্রিবনি। য়াম্না রানা লৈরম্বদগী মাস্তর রোলদা শিকি অমফাউবা তিংদনা থাদা লুপা চনি নিক্থু পীত্থনা থবক তৌহনথিবা কালু সাহেবপু অমুচৌনা লাইগুম নিংজৈ। কালু সাহেবনা হেক হায়রিবমথে চুমবনি থক্কে।

অমুচৌগী ওফিসতি কালু সহেবকী য়ুমদনি। কালু সাহেবকী সঙ্গোম লৈথোক লৈশিন, অঙাং থিন্দোক-থিঞ্জিন, শিং-থাইবা,

মিলদগী চেং লৌবা, চাক থোংবা, থোংউপ শেংবা ওন্নমক অমুচৌনা তৌই। অদুবু অমুচৌ কালু সাহেবতা থক য়ারোকদে। মরমদি নোংমদি অমুচৌসু ইনাকথুনবা হায়বদু ওইনিংই। মরুম কুম্বীদা থা মরী-মতাগী মন্নুংদা নোংমথকুংগা চৎলুবা নত্তনা সুকচৎ চৎলুগ্রে হায়বা য়াই।

কালু সাহেবকী মুপী স্নাইবেম্মাদু থোন্দা য়াম্না লুদে। মাগী মুপাদি চিফ-ইঞ্জিনিয়ারনি হায়বসি সেকেণ্ড অমফাওবা কাউথোক্তব-মখৈ ফুতানি তৌবী মুপীনি। অমুচৌসু মাঠা বেরা থরা লৈজরবসু মাইকৈ অমরোমদদি য়াথল য়াংজে। ইরায় লায়না খন্দোকই,

—মাগী মুপানা অচৌ-অশাং ওইরগা, মুপীদুনা পোংলিবসি মখোয়গী অশোনবা অমা লৈবননি।

স্নাইবেম্মদুনা অমুচৌদা তাদা, মাম্মা নত্রগা খুরা কৌদুনা ব্যবহার অমগা লোয়নবা য়াবনি। তাদবুদি কৌই। অদুবু হৈ-শ্হা শিজিন্নে। থবক অমা হেক লোইবগা অমা, অমা হেক লোইবগা অমা হেক্তমক হায়জিল্লকই স্নাইবেম্মানা। চাক চাবদা মতম কুয়না চংশা য়াদে। চাবা মতমসু চাং নাইবা ওমহন্দে। অদুবু মুমিৎ থুলিং হবচাং ময়েং তাথরক্লবা, ঈশ্বরনা তম্বিরম্বা পূন্সি মখি ককথৎখ্রবা অমুচৌনা শাম্নে মোন্দ্রং কয়া, মণ্ডই মণ্ড কয়া। কাউবা কৌবা লৈত্তে মাগী কালু সাহেবনা নোংমা হায়খিবা,

—নপুকচেলদা শেংড ইথো, পোরোমপাৎ নামা পানবিনি, লম্ফেল-পাৎ নথন্তগী ওইহনগে।

৯নি চনবা জুলাই
১৯৮২

য়ুম্মাং পাউ

পৃথ্রি মপান্দা কোন ফেংলিঙৈদা য়ারী অমু শামুংভোৎখোয়গী মনিংদগী তারকই। য়ারীহুনা চহী মঙাগী তুংদা অয়াবয়া হুংঙাইবয়া মফম খঙদবা শকখঙদবা ঈচুল অমা থম্মোইহুদা তয়কহ। লোই-নাইরমত্রবা ঈশৈগী হুরশিংহু অহুম্মা মাংখিগনি হায়বসি বিনোদিনি করম্বা মিকুপ্তবু থনখিবগে? শক্লি, শকমিন্নখি অমম্মুং শকমিন্নখিগনি। অসিমথৈতংনি খঞ্জরম্বদি।

হৌজিক্তি? বিনোদিনি কাউক্রবা ঈশৈগী ময়েকশিংহু অতং মতং শমজিনবা লাক্লকই।

লমদম অসিমক্তদনি। ঈপোম হৌতক্লবি পাংকী লাইজ-থক্তুদা থম্মোই অনি নকশিন্নবমখৈ মালং-ঈপোম লাংখিবহু।

— ঐদি হিকবাক অসিদগীবু কুমপানিংব্রে।

য়ায়া থবায় য়াওনা মহাক্না হায়খি।

— করিগী?

ওইনজ-নোকমিজরছনা বিনোদিনিস্থ হঙজখি।

—মসিদা ফম্মিন্নরিবমথৈ নও-ঐগী মুমিং তাবা হায়বছু লৈখিগন্না ?

তঙাংলবি চিনবায়া নিকলপ তৌজ্রিবমথৈ য়েংবা তোকখিদবা মহাক্কী ময়াই কাবা মিংয়েংছু খংউ উরকই। অঙাওবি নোংলৈগী খোইচংনবি শহমা ভাখু-থেংথুরক্কুনা হিক্রুবাক্কগী ঈয়াইছুদা ওন্থ-মিন্নছনা চোংলবা ফিশিংনা হকচাং তনপ্প্রবদা য়েংলকখিবা মিংয়েং অছুগী অর্থ ভসিতা খঙবগুম তৌরকই।

থাবল ফবা খুদিংগী বিনোদিনি থোংনাও ময়াদা ফমগনবীনি। মুমিংতুস্থ থাবল ফখি। থোংনাও মপালদা ফমখি। মহাকস্থ লাকখি।

—নহাক পরিক্ষাসি অসিদা অস্থম থাবা য়াজ্রবজাংলা।

—খুদোংচাবা থরা কংগনি, অছুননি।

লাইরিক্কদি পাদেদো।

ইকাইখি।

মুংশি-মুংওল-পোক্ মুংঙাইখিবা ইতিহাসতু নিংশিংলুরবগী তুংদা বিনোদিনি চামথোক্লবা কোনশিংছু ইমুংদা পুশিন্নক্লে। শামুঙৌথোয়বগী য়ুম তান্না মথোং পরপ পরপ থাংলকই।

—তা শামুঙৌ।

—কৈনো ?

পারিবা নোবেলছুদগীদি মমাই হঙংলক্তে।

—য়েংঙো।

কিশি অহুমদি শাক লৌখোকপা ঙমদে।

— কৈদৌরে ?

হন্দক্তি ঙম্মোরকই।

— মহাক লাকনি হায়বসি শোইদ্রবরা ?

মমাইছু ঈচপমুক ঙাংশিল্লকই।

—হাইস। চো চো, করমকান্দবু খঙলম্লিবা ?

পারিবা লাইারক্তুদা মমাই অমুক ওল্লিনখি।

—লাকপু লাকদৌরিবরা ?

—অং লাকনি। চৎলোমী।

বিনোদিনি খোরক্লে।

মচা অনি সুরবি বিনোদিনি অমুবা শল্লাংশিংছু লুমাংদা চোইজাইনহল্লকই। মুংজানবা খুদিংগী মিরবা বাঁশিগী খোঞ্জেলগুম ভত্তনা নাওথেম্লম্বনি। হৌজিক্তি ওম্ছোক্লা থাপ্পনা লৈত্রে। নিল্লবা সহরগী রেস্তুরাদা নোকমিন্নরম্বা থাদোক্তুনা লমদমসিদা পুল্লি লোইনিংলুবা। খঙদে, বিনোদিনিগী করম্বা অর্থ অমা লৈরমগদবা ? তৌবদি মাগী মমাছু অসিদা লৈ, লৈরকই।

অমুক কুইবসিদি মোলাংখাগী কবোক্লেগুম পুল্লি নাথৈরকপনি। ঙসিদি মালিকা-মালতি মরক্তুদা মুংঙাইবা মঙ মঙলকই।

— মহাক ঙসি লাক্লগদবা !

থম্মোইবু মুংওল্লকই। মমাংথৈগী চহী মতাংগুন মশাছু খিংখাং লাওরকই। তোয়না চিনগল্লকপীনি মহাক লাকপা খুদিংগী। ঙসিন্থু অয়ুক্তুদা অখেল্লৈ-চিগোংলৈগী নাচোম অমা শেমজিল্লকই।

অহিংহু নিংশিংলকই।

—নহাক লমদম অসি হুৎঙাইবয়নে ?

লেংজুমহুদা কোল্লহুনা মহাক্না হঙখি।

– হৈনদবমক্তি নস্তে।

—অহুম্মক হৈনথ্রদো জাৎলা ?

—অহুম্নদি হায়বিগনু ।

—ল্যাইব্রিকক্তি কয়াম পায়ে ? পাস তৌগনিদ্রা ?

—অহুম হঙগনু। পাবা স্কুয় য়াদে।

—উৱিংনা থল্লবা মাইসিবু কয়িগুম্বদগা নিংশিংখিব্রনে ?

—তত্তনা উই। অমুবা শয়াংশিংহুদা নানবিরহুনা নোক্লুনা হঙখি।

থবাক্তুদা ময়াইহু লোৎশিন্নহুনা মহাকসু খুমখি।

—পাস ওইনবা হোৎনৌকো।

থজাইহুদা চিনবালহুনা হাইরগুং শোক্লহুনা হায়রম্মী।

অহুদগীদি নোংলৈ-হুংশিং অমা শিৎচিল্লকখিবা। নোংলৈ মরক্তুদা লেন য়াওয়কপদগীদি মহাক্না অহুম্মক উন্নখিদ্রে।

পুন্সিগী কয়ম্বা থাক্তা বিনোদিনি হৌজিক লৈম্রিবা ? বিনোদিনি কাওথোকখ্রবরা, কাওশিন্নরিবরা ? থম্মোই ইরাং হৌবহু মপালদা ফুদোরকই। কয়ম্বা হুংগী য়াৰী অনা লৈখিবা ? থম্মোইদা কয়ম্বা দাগফম অমা থম্লম্বা ? অয়ুক ওস্তাহুদা চেংহি-উত্তি লুজথৎলকই। নিঙাই-চাউবা অতোম্বহুম'দি ওসাইনা ইবোচৌদা শিকি অমা পীহুনা লৌহনগ্রে। হুংত্তিগী ইমবা ওয়ুগ্রবা হজাম্নপাল মতুপ্তু উপুদগী চিংথোক্তুনা থবায় য়াওনা ইম্নকই।

—পুং মাপল তারবদি লাকপা মায়েসে।

চেংতক্কুরবি খ্বাংছুদা মাবুল মনিং কোয়ম্ব মেয়ম্বুনা পূখ্রিদগী ঈশিং হঞ্জিল-হঞ্জিল শোক্কংলকই। ইরাং পুরবী মিম্নাহুনা শোয়োক্লোমদা তোয়না তোয়না য়েংই।

—করম কান্দা লাক্কদৌরিবা? তাক্লকপস্থু নত্তে।

খল্লুবদা শদৌ থোংলকই।

জি জি শৌরম্বদগী চকু মহীহু ফনা মাম্না কংশিল্লক্লে। শোমদনা কং হাইদোক্লি। কয়াম কুইরবনো খঙহৌদে, পূখ্রিহুদি লৈনাংগী কোঙ্গোল তাউরম্লে।

চাক লোইশিল্লক্কদৌরে। চোংলম্লবা শম্নাংশিংহু মালংবনা তত্তনা হাই-হুম্বদা কংশিল্লক্কুনা কংঙাউনরক্লে।

—ইমুংদা লৈরিঙৈদা তাশামুঙৌখোয়দা চঙবনা হানখ্রবজাংল্না?

তপথত্রবা থম্মোইনা লাংতক্লরকই। শামুঙৌগী কাহু মাঙ্গোলগী দারিদা লেপ্লবদি উই। য়েংলকই, উদে। মতোমতা থাজদে। খুনিং কাংহুনা ফমুংগী কাচিল অমদকা ফম্লিব্রা য়েংই। দারিগী মচিদা অমুকস্থু হেন্না চংশিল্লি। লাক্ত্রিমানে উদে।

চাকতু হাউননবা হোংনরুবা ঙমদে। কোম্হোংলোমদা হঞ্জিল হঞ্জিল থোকই। ইমুংলোমদা অমুক চঙই। শামুঙৌখোয়দা তোয়না তোয়না য়েংই। মম্নাক কম্না থম্মোইহু লাংতক্লরকই।

পুং অমা তারে। মহুফাওবা লাক্ত্রি। ইম্ফাল কারুবা মাঙ্গোলজাও লাকপা উই।

—খুরা।

ভাইওমদে। হওই।

—ইম্ফাল কারবা?

—হোই ইবেম্মা। ইবেম্মা খুরাদি ওসি শিরু শিরমদৌরেদা।

—কৈদৌরক্লগে খুরা?

—ঐখোয়না ইম্ফালদগী তোংলকপা বসতু লম্বীদা সি. আর, পি, গাড়ী অমগা থেঙ্গাইনত্থনা মী অনি শিহৌরে। অমদি ইম্ফালদগীনি ভাংনৈ। নহা ওইরমানে।

—মীশক খঙলকপরা খুরা?

ব্রজ লীশিংনা মকোক্তুদা তারকই।

—মীশকতি খঙলক্তে ইবেম্মা।

মাঙ্গোলজাও চৎখ্রে।

বিনোদিনি রাকচিংগী গুলাপকুম উনখাক মরক্তুদা তোলহাইননা লৈশাং ভারকই।

১৯নি চনবা আগষ্ট
১৯৭৭

শিলং পীকতি য়োরক্তরে

চৎলমদাইদা ঐখোয়' মুপীনা হায়হৌই,

—শিলং চৎপন্থ্ ঐসু য়াওগে।

ঐনা হায়রম্মী,

—হে য়াসে, তায়াজেন ইবানি ভারিদা ভাওথক্লদৈনি।

মানা খুমহৌই,

—অহূদি থা কারুবা আর্মষ্ট্রোংগী মেডিকেল ত্রিতমেন্ট তৌনবা ডাক্তর অমা এংগেজ তৌছনা থনম্বা তারেদনা

নোকমিন্নরকই।

শিলং ফজরবা মফম অমনি। মতম অমদা মুমিৎ তাঁবা লৈতে হায়নরম্বা বৃটিশ সাম্রাজ্যনা। নিংথিজনা থবাঁয় য়াওনা পাল্লম্বা মফমনি। চীংথক্তদা ইথা থাজরুদনা অওকপা পোক্লা লৈরম্মী সহর অমা। বৃটিশনা ঐখোয়বু ওৎতুনা পাল্লম্বগী শাওনিংবা পোক্লবসু মখোয়গী কোক্তবুদি থাগৎতবা ওমঁথিদে। বোয়াপানি,

ঈশিং চৈম্বকম খুদিংমক থিংজিল্লহনা কয়াদা লায়না কয়াদা কায়হনা কয়াদা ফজনা শেম্নমগ্রবা। গোলক ফিলদগী অশংবা মচুনা অয়েং-বগী থম্মোইবু পংথহনখিবা। মহৌশা অমদি খুৎশেম অনিনা হয়াওনা লেঙ্গোয়হনা ভমজবা মতৌ উৎলিবা য়ার্দস লেক, ফজ-ফজবা য়ুম, উচান পাম্বীগী পরেং, শংবায়বা চীংমাই, ফিরোল মভা শেৎপী থাঁসি মুপী। নহালমখৈদি থল্লুদে,,শিলং অম্মুম ভৌরমগনি।

অহানবা লাকপে হৌনবা কাথৎ-কুমথ তৌবা লম্বীশিংহদা কাথৎহনা শায়রুই, কুমথহনা শায়রুই। রেলগাড়ীগুম মৈখু মথক্তা কাপথৎপা মী কুক কুক ইয়না তোংবা ওলদ মোদেল বসহনা চেনখিবহু অম্মুম য়েংলুই তামগ্রফাও। মীনা শৌ-শানা তিনবা কৈথেল ময়ক্তুদা জাতি তিয়দবা মশেল অমগা অমগা থেঙ্গাইনহনা চৎপহু কনানা কনাবুস্মু য়ারৌনরুদে। করম্বা মুংভাইবনো মশক্তি থভদে, মুংভাইবা অমদি ফাওরকই থম্মোইদা।

ঐগা চৎমিয়বহু ভারাজেন। চৎলিবা খোভচৎস্মু তারা-জেনগীনি। মহাক শিলংদা চহী মভামুক লাইরিক তমহনা লৈরম্মী। য়াম্মা থুনা ইন্টরভিয়ু অমা য়াওনবা হোৎনরিমানে তারজেনহু। মহুগীদমক সার্টিফিকেত লৌথোকপা চৎলিবনি। ঐগীদি উখিদ্রিবা লমদম অসিগী মওং-মতৌ অমদি থাঁসিশিংগী ময়মচৎকী মতাংদা থরদং থভনবা চৎপনি। অহুবু থম্মোইদা ইরাং অমা পুহনদি চৎলি, নহা ওইবগী ইরাং।

শিলংদা তারাজেয়া থভদবা লৈতে। থাঁসি লোলস্মু থভই। মৌলাই, লাইমুখরা, মল্কিগী লৈকাই ফাওহনা চৎমিয়

তারাজেনগা। মানা লৈরবা মুমহুন্দা চঙহুনা চা থক্লুই, কা চায়কই, হৈথা চায়কই। থাঁসি-ইমুংনা অতিথিবু লুনা থজবা, খাঁসি ইমুংগী স্টেন্দার্দ শুফ লিভিং। থক্লকই, তমজনিংঙাইনি। মারীগী মতাং অমদা তারাজেন্না হায়,

—মথোয়গীদি মুপানা মুপীগী ফি শুই।

কর্নবা মাথলনো মফম থঙদনা থনদি থক্লকই পুক্লিংদা। লবানগী অঙবা চীংমাই কাহুনা খুলক ফাওবদা অবাবা পোক্লুদে। মলকীগী অবাংবা সিম্রি কাবদা তম্বা পোক্লুদে। পুক্লিংনা চেৎনা থাজৈ, ঙথিত্রিবা থবদি শোয়দনা উবা ফংগনি। চাইনিজ রেস্তু-রাঁদা চংহুনা পোপ শাও চায়। রিগেলদা চঙহুনা কোফি থকই, দোশা চায়। থারদা চংহুনা থকই, ওলদ মোংক। পুক্লিংদা ফাওই, কয়াদা মুংঙাইত্রবা!

তারাজেন্না পুহুনা য়েংবা মাবা থম্না য়েংলে। অমথক্তুংদি মাংলি, শিলং পীক। শিলংগী খ্বায়দগী মাংবা চীংদোল। মফমহুদা মাদারম্মু লৈ হায়। ইহান হান্না হেক চংনিংমদি মফমহুনি। পংনক নকপা মফম শম্ববনা তারাজেনগী সার্টিফিকেতম্মু লোথোক্লবা হোৎনবদা হয়েং চংশি, হয়েংদি শোম্বদনা চৎলসি হায়হুনা থৈথোক-তুনা লাক্লি। অমথকম্মু মাংগ্লি। ঐনা হায়,

—ঐনা হাম্ববদো?

তারাজেন্না খুম্মী,

—ঙাইথো, মুমিং তাথিসম্মু।

"মুমিং তাত্রে। পুক্লিগী অহানবা থেঙনবনি। মহুম তৌরমগনি

হায়বমক্তি থাজরক্তে। কৈথেল মপুংগী মুমিত্বাংগী দৃগুদা হুকান, হোটেলশিংদা মচু মচুগী মৈনা লংনা ডানবমক্তনি। অমদা কাহ্ লৈরম্লি। অমম্বা কাহ্ চঙগে তৌবদা ঐনা তারাজেনদা হঙই,

—কদায়দনো ?

—নহাকপু চঙলুসি হায়বদাই ? খন্না খরম্ব চিংলুসি।

তারাজেন্না খুম্লকই।

নিংকোক্লবগুম্না অমা কাওখি। খঙখিত্রিবা তাদি ভাগ্রবহুগী-দমক মিছল খরদি পিং পিং চোংবগুম তৌখি। কাহুদা হেক চঙবগা দাড়ী অত্থুদগী হেক কুমথবদগীদি উবা ফংলে উনিংলিবহু। মমুং খন্না চংশিল্লগা হোটেল অমা। অকোয়বদা কা কা থায়বা মুম মশাং অনি। মৈ থান্দবা শুমাংগুম্বহুদা লৈরি মুপী মম্বামহু ! খোংকাপ অনিগুনা কানবা নংহৌদে। অমনা খুদাং ভাপ কাহুনা হায়রকই,

—কয়েংগে ?

ঐগী থুন্দা অমনা খুপাক্লা শেং থাহুনা হঙলকই।

—সিদা চঙলসি লাকও।

লেংজুমসিদা কোল্লহুনা অমনা অমুক পুশিনগে তৌই।

—অচ্ছা মাল,হৈ।

ঐগী খ্বাংদা কোল্লহুনা অমনা অমুক হায়কই।

—অয়ে চলমী দারলিং।

কুরিং অঙাংবা লিংগী অমনা খুবাকসিদা কয়া পায়শিল্লহুনা কেঁশিল্লকই।

[illegible] । নিমিশিংলকখি্র [illegible] [illegible] [illegible]-খোঙগী [illegible] অমাতে [illegible] ঐবু কোনা[illegible] [illegible] । তারাজেনদি গোরোং গোরোং চণ্ডবিহনা মহুংগী 'মে' ডাল্লিবা হোটেলহৃদা কমগ্রে । নৌনা থেংনবা থৌদোকনি । মখোয়না ঐবু কাহনা, কোম্নুনা থবহনা পোকুই হুডাইবহন্নে । তাঁরাজেনা হোটেলগী [illegible] [illegible] [illegible] ঐগী ইভোইহনা নোঙ্না য়েংলি । ঐনা মখোয়দা হায়,

—ডাইখোদনা, ডাইহাত্তংদি ডাইখো ।

ফুরিং অভাংবা লিংপী অহুমদি ঐবু চাননা হেক মকাংে । ঐস্থু মহাকী [illegible] [illegible] অহুদা পুংচল্লীনা চল্লহনা হায়,

—হিদাক অমুক্তা চিংলুখিগে । ঐস্থু নঙগা যারী শাগদৌবা নৈ ।

ঐগী পাম্বোমদা শেং লাওনা থারহনা মাস্থ [illegible]

—শোইস্থকো । উল্লথিল্লিকো ।

অহুগা ঙাংশং ঙাংবা তৈবা মচীনবান্দু হাঁইরপ কাংথংলহনা নোকশি[illegible] ।

—শোইদনা চঙলকনি ।

মনাতোন্দুদা অমুকস্থ পুংচল্লীনা চল্লরগা তারাজেনগী মনাক্তা চঙলে । নাসপাতিদগী শেম্বা মখোয়গী লমগী অভাং[illegible] য়ুহ পোৱা অমা কৌরহনা তারাজেন ইবানি থকপা হো[illegible] থক্কা থক্কা অকোইবদা নৈরিবা কুম্মৈশিংহ অস্থম য়ে[illegible] । শঙহোদনা পুল্লিংদা মুংডাইতবা অমা ফাওরকই । মখোয়স্থ ঐখোয় অহুবাইগী গজায়ানি,

অনিতা, হাবেঙয়া কাংলাক ভানিথী হুল ভানিথীঙবী ঙাক্তনি। চহী খরা লৈশিল্লমগদবা যানবসু হাওরি। চহী অহুমদোই-অয়ানবীসুত্তা ঙাহরমগদবা যানবসু হাওরি।

তাবাজেন্না তুমিন্না হায়রকই,

– মখোয়সিগী মরক্তা নেপালী, মিজোসু যায়া হাওরি।

ফুরিং অঙাংবা লিংপীহু অমুকসু হোটেল মনাক্তা চঙশিন্নরগা হায়রকই,

—লাক্লোমী।

—লাক্লগেবা।

ঐসু খুমী। মৌ-বা ঙাংনখংলকপহুদা তাবাজেন্না হায়রকই,

—বা ঙাংনরুখিসু।

মুপী অমমুক চঙশিন্নরগা হায়রকই,

– চঙলসে ঐগা।

ফুরিং অঙাংবা লিংপীহুনা মুপীহুদা হায়,

—হায়না ঐগা যানস্রে।

নত্রা হায়না হঙবগুম ঐঙোন্দা নোক্তুনা মমিংতু খংচিন্নকই। ঐসু ঙক নোম্মী। অমুক দারি কাখংখিহুনা ঐঙোন্দা খুদোনবী থিন্নহুনা অতৈদা হায়,

– চসমী দারলিং হয়াবা হৈ।

ঐহাক খুমগে তৌবনি। তাবাজেন্না থামহুনা তোক্লে। মুপীহুসু কা অমদা চঙস্রে।

—নঙবু চঙগে হায়রিবব্রা ?

তারাজেন্না হওলকই।

— ইরাং য়োংথোকনিদ্রনা।

ঐস্ন খুম্মী।

— চঙগে হায়রবদি চঙপোক্ত্রো। ঐঙোন্দা পৈশাশিংহু পীরম্ম্। অমুক শংথিহনা তোকনি। লুপা মঙাখক্তং পায়খো। শেলশিংহু তারাজেন্দা পায়হল্লগা লুপা মঙা পায়শিল্লে। হুপীহু অমুক থোরক্লগা থোঙবাদা ঙারহনা হওলকই,

— লাক্লরোইদ্রো ?

—লাক্লরোই।

ঐস্ন লক্লগে হায়বা অমা য়াওনা নোক্ত্না লক্লে। মহাক্লা মথুং-মথা য়াওরহনা লাওরকই,

— থোরকপদা কিন চাগনি অহুদি। ঐগী কিন কয়াম নায় হায়বহু ঙসিদি থঙবা তারেদনা।

— পাথংলুম্নু লাকনিয়ে।

ঐনা অমুক হায়।

—লাক্লো অহুদি।

তারাজেন্দা নোক্লম্নগা ঐ চঙলে। পিকথ্রবা কাহুদা লৈরম্মী-বহু মাইথললগা থাহুনা পর্দারগম্নু থন্দুনা কা তরুক-তরেৎ অমুক থোক্লম্মী। পর্দার মথাদ. হুপাগী থোংউপ, হুপীগী থোংউপ পুম্না লৈমিন্নরম্নম্নু য়াওই। যমুং অমদা ঐবুম্নু কমহল্লগা ঐপী ইনাক্তা কমথরক্ত্না হওলকই,

— পৈশা কদায় ?

—কয়ানো ?

ঐস্মু হঙই ।

—লুপা তরা ।

—ইং, অত্থুদি ঐদি খঙলুদ্রেদনা ? .ঐদি লুপা মঙাদা য়াওয়কই ।

মহাক থংশাও-শাওগৎলকই,

—করি, লুপা মঙাখক্তা ?

মাইওক্লরিবা কা মচাত্থুগী পর্দারত্থু থোক্ল-হায়দোক্লুনা মুপা অমগা মুপী অমগা হিপমিন্নরিবত্থু য়েংহল্লত্থুনা শাওনা হায়রকই,

—য়েংউ, মী খুদিংমক লুপা তরা-কুন পীরগা চঙনরকপা ঙাক্তনি। অরে, লুপা মঙাখক্তং, বাবরেবা।

ঐহাক্লা তপথরত্থুনা হায়,

—অমুক্তা ঙায়খো। অত্থুক শক ফজবী নঙনা অত্থুক লাংলিবত্থু করিগীনো ? ঐনা হায়রিবসে অমুক্তা তাখো। ঐহাক্তি হন্দক লাক্লিবসিনা নখোয়গী শিলংসিদা অহানবনি। অত্থুনা নখোয়গী ভাও খঙদবনি।

—লাংত্থু তানিংদে। কদর তৌমু।

অত্থুগা পরপ-পরপ থোকখিত্থুনা মপান্দা কোইলাও লাওই,

—হো আনোক উপ্পা কলেজা য়াম্না লৈগদবা মানবত্থু লুপা মঙাখক্তং পায়ত্থুনা চঙল্লে।

মুপী ময়াম নোকখিবত্থু তায়। অমুক চঙলক্লে। মুপী অমস্মু চঙলকই। মুপীত্থুনা হঙলকই,

—কৈদৌরে ?

কুরিং অঙাংবা লিংলীহুনা থুম্মী.

—লুপা মঙাথক্তং পায়রগা কাম্নিদা চঙলক্নি।

করেম্নবগী মিনোক অমা নোক্লম্নগা মুপীহু থোক্কখয়ে। মহাক্না অমুক হায়রকই,

— য়াম্না উশিংত্রবদি চৈ চাগদবনি নঙ ভুসি।

ঐনা হায়,

— ঐনা হায়বসিদি তাররোইত্রা ?

—বা ভাংমু। কদায়. লুপা মঙাহু পীরকউ।

— পীগনি। শোয়দনা পীগনি।

— হায়া পীরকউ।

লুপা মঙাহু পুথোক্তুনা মঙোন্দা হেক পীবগা মামা তাপ লাওনা লৌশিন্দুনা হায়রকই,

— চৎলো য়ারে। লম হেল্লবদি নথরায়হু মাংগনি। অমুক চঙলক্কে হায়রবদি নঙগী নমায়বহুদগী মামত্রবদা লুপা মঙা অমগা লৌকখো।

ঐহাক শাওনিংবা অমমু পোক্লে। ফুক হৌগৎতুনা তারাজেন্দগী লুপা মঙা অমগা লৌরুরগা অমুক চঙলক্লে। মহাক চাননা শাওরিত্রা শাওশিময়িত্রা হায়বহুদি থঙদে। শাওনদি হঙলকই,

— পুররুত্রা ?

— নহাক্কী অপাম্বমখৈ পীননবা ঐগী থৌরাং চাওদ্রা'লৈ।

হন্দক্তি ঐ পোঙনা থুম্মী।

—লুপা চাম্মা পীবা ওমগত্রা অদুদি নও ?

মহাকস্তু হায়গে হায়বা অমা য়াওনা হায়রকই।

—অদুদগী হেনবা পীব্রবদি ?

—পীরকউ কদায়।

মথুংতু তিংথোরকই। কায়রয়োই খঙলদুনা ঐনা তপথে,

—ঐনা নঙোন্দা ওসাইদগী হায়গে তৌবা ৱাফম অমদি ঐবু স্নুকহায় হায়হন্ত্রি।

মহাক্না লাউথংলকই।

—অরে শাল্লা। নঙ খ্বায়দগী কদর হৈবা মীনি। থেঙথিনি কদায়, লুপা মঙাদুদা হান্না পীরকখো। অতৈ নিপাস্তু চঙলকখিগদৌরিবনি।

মতুংফাওবদি হায়হল্লিংদবনি। অদুবু থোইদোকপা হায়রুদ্রে। মঙোন্দা লুপা মঙাদু হেক পীবগা ঐবু থোংউপ থুনা লোথোকহল্লগা থোক লোংথোক্লদুনা শাওনা হায়রকই,

—জলদি, জলদি করো।

ঐনা হায়,

—মৈ নহীং করেংগে।

তশেংবমকস্তু মতুংগীদমক্তদি তুক্কচৈ। থুনাং চারবা মথোয়গী পূন্সিনা অৱাবগী ৱারী থরদং লীরকত্রা হায়নদং খনলম্বনি। মহাক্না ফুক অমুক হোগংতুনা হঙলকই,

—নহীং করেংগে ?

মরেংজুমদুদা তপ্না কোল্লদুনা ঐনা হায,

—ঐনা হায়বহ্নি। ঐদি সুপ্নতংগী নগুপা বারী থয়া শাবা পাম্মী।

মাস্থ হায়রকই,

—কৈ, লুপা তরাগী মিনিট মগুা। পুং কয়া ভারে য়েংউ।

ঘড়া য়েংলহ্না ঐনা হায়,

—নিপাল তারে। করে, বারী অসি লোইহ্রিকাওবা মিনিট মগুা খুদিংগী লুপা তরা তরা পীগনি।

মহাক হন্দক্তি ইংনা হঙলকই,

— করি বারীনো?

ওয়-তৈননা ফুরিংথাউদগী চুরুটকা মৈথেৎকা লোথোক্লহ্না ঐনা হঙই,

— নঙ চুরুপ থকপরা?

খুত্বগী মহুত্তা মাস্থ রিজেন্ট ফিল্টরহ্ লোথোক্লহ্না অমা চমথৎ-ত্নুনা থকই।

—নমিং করি কৌই?

ঐনা হঙই।

—থহ্'

মাস্থ খুম্মকই।

—করি জাতিনো?

— মিজো।

মহাক্না হায়রিবা মাগী মিং অমসুং জাতি অনিহ্ চুম্ব্রা নত্রগা লানত্রা হায়বগী মতাংদা ঐ থোইদোক্লা নৈনকত্রে। অহুবুভারাজেন্না

হান্না তাঁকখিবগী মতুং ইন্নদি 'খহু' হায়বা মিঙৌ অসি খাঁসিশিংগী মচাহুপী অত্তোনবীদা সুংশিনা কৌবা মিঙৌনি হায়বদি খঙই। অহুগা মমা মপা শিব্রবা মতুংদা মচাহুপী অত্তোনবীনা সম্পাত্তি খুদিং-মকম্থু ফংই হায়। ঐনা অমুক হায়,

—নহাক্না শক য়াম্না মায়বী অমা ঐহাক্না সুংশিনরম্মী।

মহাক্না হঙলকই,

—নঙ কারি জাতিনো ?

—মনিপুরি।

—-নঙগী চায়বীহুদি মমিং করি কৌবা ?

মহাক্না ঐঙোন্দা অমুকম্থু হেন্না ঙাথরক্তুনা হঙলকই।

—রেমু কৌই।

ঐস্থু মাগী অথোৎপা খজাইহুদা তপ্না নাল্লহুনা খুম্মী।

—মিংহু য়াম্না ফজে। মাগা ঐগা মাম্নরিবনা করিদনো ?

—নহাক ফুরিৎ অঙাংবা লিংপা য়াম্না পকচৈ।

মহাক্কী ফুরিৎকী কুদামহু অমুক পানশিনবিরহুনা ঐনা হায়।

—অরে বাবা, ঐনা পাম্লিবদি মহু নত্তে।

ঐগী খুৎতু কম্থোক্লহুনা মানা হাম্নরকই।

—হায়গদৌরিবনি। রেমুদম্থু ফুরিৎ অঙাংবা লিংপা য়াম্না পকচৈ। অহুবু খহু, সুপীশিংসিদি জাৎ অমনি।

—কৈদৌরবা ?

—রেমুহু ঐবু থাদোক্লমহুনা মপুরোইবগী নাক্তা চৎখ্রে।

রারীসিগী মতাংদদি ঐহাক রেমুগী মফমদা লাল্লবনি। অহুবু

ফুরিৎ অভাংবা লিংপী থত্থগী থম্মোইগী মতাংদা থরদংদি নৈননিংই। পুক্লিংনা য়েম্থগী মকমদদি নোঙ্গে,

— য়েম্থু, নঙগী নফমদা ঐনা কয়ারক লানখি। ঙসিস্থু নঙগী মিংবু বদনাম তৌরি। মথুগীদমক, মসিগীদমক ঐহাক মীশি চাদনা শিরবস্থু শিরসমু।

— য়েম্থুগা নঙগা করম কায়নখিবা ?

থত্থুনা ঐগী বাখলত্থু থুগায়রত্থুনা হঙলকই। অশেংবা পাউথুম অত্থু পীবা তারবদি থত্থুনা ঐবু শাউবস্থু য়াই। শাপ ফাওবা তৌবা য়াই। অত্থুবু ঐনা থুম্মী,

— মুপীগী থম্মোইবু করম মশক থঙবা ঙমগনি। মুপী হায়বসিদি মুপীনিদনা। ইরায় লায়না ঐবু থাদোক্লম্মী।

থত্থুনা শকফম থঙহোং হোংলত্থুনা য়ানিংদনা হায়বকই,

— অরে শাল্লা। নচিন খিম্থু। মুপীশিংদি মুপাতনা মাঙহনবনি।

বাহৈ পরেং থরত্থুদা থত্থুগী পুন্সিগা মরী লৈনবা বাফম থরা ফোংদোকপঙুম তৌই। ঐনা মখা তাখে,

— অত্থুবু থত্থু, করিগীনো থঙদে। হৌজিক ফাওবা য়েম্থুবু কাউবা ঙমদে। মাগী ফজবা শক, মাগী অথুম্বা খোঙ্গেল উত্থুনতা লৈ, তাত্থুনতা লৈ। সিদা চংলকপগা নঙবু হেক উবদা থঙনিং নিংশিংলকই ঐগী য়েম্থু। নহাক য়েম্থু য়াম্না মাল্লি।

—অরে, তাং তৌগম্থু। নঙগুম্বসিদি কয়ারক খেঙনগ্রবজাংবনি।

—অপেংবনি খহু। নহাকী খজাইগী দিস্পল অসিগুম রেম্বুগীস্ু লৈ।

মাগী দিস্পলহুদা চিনবাল অসিনা হাইকেৎ থেংলহুনা হায়।

– নহীং করেংগে ?

অমুক হঙলকই। ঐস্ু খুম্মী,

—নহীং করেংগে।

মহুনা ফৈ খল্লিব্রা, মহুনা ফত্তে খল্লিব্রা খহু ঙাইহাক তুমিন্না লৈ।

—অরে, মিনিট কয়া চৎল্রে ?

ঙাইহাক্তুং লৈরগা করিগুম্বা অমা খঙনিং-নিংশিংলকপগুম খহুনা হঙলকই।

– মিনিট তরাবু ফারক্কদোরে।

ঐস্ু ঘড়ী য়েংহুনা খুম্মী।

—লুপা ল্বা কদায় ?

মখুৎতু তিংথোরকই।

– অহিং অমা অস্ুম লেনমিল্লরবদি কয়া লৌগনি?

অপেনবাপোক্ত্রবা ঈহুলহু উৎলহুনা ঐনা হঙই।

– লুপা চাম্মা।

মানা ইরায়-লায়না খুমকই।

– ঐগা ফম্মিল্লবসিদি সুংঙাইবা ঙম্বরা ?

খম্মোইদা পেক্রদবহু লোৎশিল্লহুনা ঐনা হঙই।

– পৈশাবু পীরবদি ইয়াদা য়াই।

অহুম্মক ইবায়-লায়না হায়রি মহাকতি।

—মীওইবা মশেল মুংশিনবগী বাখল অমদি নখোয়দা য়াওত্রেনে?

মাগী কম্বং লাওবীহু অমুক হৌরক্লে। মাগী লেংজুমদগী ঐগী পাক্বোমহু ইস্থোক্লহুনা ফুক লাওনা হৌগৎলহুনা হায়,

—অরে, কমথিসি হায়রগা লুপা তরা অমগা অমুক। নত্রগনা চৎলো মতম হেন্নে!

মখুদাংহু কারগা চিংথুহুনা ঐনা হায়,

—ঐদি নওগা মুংশিননিংবনি।

—অহুদি নহাক ঐগা লুহোংবা ওমগত্রা?

মাম্ম হওজিল্লকই।

– ওসিদা থেওনবসিদা নওগী নতৌসি য়াম্না কিজ্জৈ ঐদি।

ঐম্ম থুম্মী।

– নত্তে চৎলো। নহাক্না ওসিগী লুপা তরাথক্তুং পীরগা হিংবা য়াব। নত্তে।

– নখোয়না শেলতা পাম্নিবসি করিগীনো? নখোয়গী লৈবাকসি য়াম্না ফজে। সহর মনুংসিগী য়ুম খুদিংমক তরু তনাম্না পাম্নে। থলুই, নখোয় খুদিংমক লুংঙাইনা লৈনরমগনি। অহুগা নখোয়না অম্মুম তৌরিবসি করিগীনো?

তাবদা নিংঙমদবা পাউথুম অমদি পীরকতা হায়হুনা য়াহং অহু হওলুবনি। থঙই, লমদম অসিদা মীনাই য়াম্না হোওই। থিক-থা ফবী লৈশাবী কয়া মীনাই ওইনা লৈনৈ। অহুমু থাজদনা

মথয়াংতু চিক্লহন। খজাইসিদা খুত্নাকতুনা থাজিক্লতুনা হায়রকই,

— মীনা চংলো হায়রুবা।

অহুবু ঐহাক মত্তোন্দা খোল অথীবা অমত্তংবা ওবা হায়খিয়ে।

খজাই নাকল অম। অমুক লৈথোক্লতুনা অমিত্রদি হায়খি,

—অমুক্তংগা থাগোক্লগা।

হন্দক্তি কুয়া থাবগী মহত্তা ভগা খুবাক্তুনা নানবত্তম ঐগী

খজাইসিদা শোক্লহনা হায়রকই,

—নহাকসিদি মত্তা অমনি।

অমুকসু নোক্তুনা ঐগী কৈগলদা খুজিলনা শিক্লদুনা হায়রকই,

—কয়ে চংলো। হয়েংসু ল্যাকট।

মহাক খোকখিগে তোই। খুদাংছু কাহুনা ঐনা হায়,

—থ্বায়খো।

—করিনো?

মহাক অমুক কমথরকই।

—নহাক হয়েংদি নোংমা পুয়া রাইবা তায়ে।

ঐনা নোক্তুনা হায়।

—ছুংদাং অমা?

—নত্তে, অমুক্তগী ছুংদাংরাইরম কাওবা!

—কৈদোগদোরিবা?

মহাক্না ইঙক ওক্না হঙলকই।

—শিলং পীক কাক্লসি।

—করিদা চুৎকদোরিবা?

মহাক্না নোক্‌না হওনকই।

—তেঙ্গিদা। লুপাদি কয়া লৌগনি ?

—মহাক্না কয়া পীর্নিংই ?

—অযোনবনা হায়বা তারেদনা। তাখোক-তাশিন্না অরৈবনী।

—লুপা চাম্যদি পীয়ু।

—এডভাঙ্গ লৌয়রবস্থ যাবদয়া ?

—যাওরবসু পীরস্ম্। যাওয়রবদি খণ্ডয়ে। পীদি পীনবনি।

—অতুদি কদাইদা থেংনসিগে ?

—অয়ুক পুং নিপাল চপ চানা ওরিয়েন্টেল চাইনিজ রেস্ত্রাদা থেঙনসি।

ঐহাক খতুগী কাদগী থোরক্লে। তারাজেনসু অতোপ্পা কা অমম্বা চণ্ডগ্রবজাংলা হোটেলতুদা ফয়মন্নরে। তারা:জন ওাইরমদনা ঐহাক অতুম্যক ঐখোয়গী লৈফমদা লাক্লে।

ইয়াং লাংই থম্মোই। কয়বা মিকুপগীনো অতুক হকচিনবা রাখল পোক্লরিবা ? হয়েং খতুগা শিলং পীক্ তায়া চংমিয়গদৌরি। মসিদা করিগীনো অস্মুক হয়াউবা পোক্লরিবা ? নোংমৈথৈংদি লুপা কয়াগী মখুৎতগী মহাকপু পুখোকপীগদৌরিবহুগী লুংওাইবহুয়া ? থম্মোই থয়াবগীতা ওইবা পুমতোপ তোপ্পা লুংওাইবা মশক অমা খতুদা শোয়দনা তাকপীবা ওয়গনি হায়হুনা ইয়াওকরিব্রা ? প্রাই শ্চিত্ত কী মশক ওই রেস্তুগী মফমদা অশেংবা লুংশিবা হায়বহু অসিনি হায়বগী খুদোল অমতং মশা তাক্তবসু তম্মা ওয়গনি হায়হুনা ঐগী আত্মানা পেঞ্জকরিবরা ? হায়ফম খণ্ডদে। ময়েক শেংবা ইশৈ মফম

খঙদনা য়ায়ক্তা ঙংখোকখি।

খোঙনম্বম কামিয়নিংলকই শিলং পীক তম্না খঙ্গা। শিলং পীকতা কাম্বনা য়েংথরক্লবদি উই হায় শিলংগী ফজবা খুদিংমক। হয়েংদি শোয়দনা লেংগোয়ম্বনা য়েংশিন্নরগানি খম্বগা অশিকপা গোলফ ফিল্ড, অশিকপা বোয়াপানি, বার্ডস লেক, অতৈ অতৈ। উচান মখোংদা কম্মিন্নরগনি খম্বগা। মহাক্না লৌবিক্রবন্থ শোয়দনা ঐনা হায়গনি,

—চম্না হিংনবা হোৎনৌ।

তারাজেম্না তফিং তফিং লাকপন্থ উবদগীদি খন্থ ইবানিগী ঈচেল-হুদা চেন্থর ত্রে। খরদি লক্লগে খল্লি। মহাক্না চংলুবা কাগী য়ারী তানিংই। পুমলোই লোইরগা হয়েংগী শিলং পীকী প্রোগ্রামস্থ মত্তোন্দা তম্নিংই। অহুবু য়া কাখোকপা নঙহোদে। তারাজেননা হাথু-হাথু হায়রকই,

—বন্ধু, হয়েংদি য়ুমদা থোক্তবা মারোইদোরেহে।

—করিগী?

ঐস্থ ইঙক ঙক্না হঙই। মহাক্না হায়রকই,

—ঐগী ইন্টরভিউস্থ মশেম নিংথোকাবসিদা তৌগনি হায়রি। নঙনা হেক চংখিবগা ঐনা মপাল থোক্ক্‌না লেপ্পমন্দ্রবদি খঙবু খঙলম্লরোই। শগোলবন্দা নৈবা একাউন্টেন্ট বিরচন্দ্রন্থ মচা খিল্লক্লিবনি হায়দুনা খেংনৈ। মানা হায়বনি। ঙসাইমখৈ মাগা য়াকী শাত্বুনা নৈরুম্বিবনি।

ঐহাক চমন্নরম্মী। করি খুমগদগে খঙলমদে। ঐগী খুম্নিংঙাই

করিস্নু পীদবহ্নদা থোইদোকপস্নু য়েৎলুত্রে। থম্মোইদা ভাল্লবা অরুংবা থরানমিচাক খু'দিং খঙহৌদনা মমিৎ উইশিনখি। নাকোং-সিদা ভাবগুম ভৌরকই ওসাই খহুনা হারখিবা বাহু,

- অরে শাল্লা, নও খ্বায়দগী কদর হৈবা মীনি।

হৈনিংবা পোক্তুবা মিকুপ পুরেং অহুদা মরাইবক থীরবা ঐগী শিলংগী থোঙচৎ অহুবু ইথন্তা বারৌজরহুনা খঙহৌদনা শোন্দোকখি,

—ঐবু শিলং পীক য়েৌরমদনা হনবদা ভারবরা ?

১৩নি চনবা জুন, ১৯৮২

শিলং

ডেমোক্রেসি

মফম খুদিংমক ঈশিংগী সমস্যানি। সনাদগী লুপাদগী ফাও ঈশিংনা হেন্না তাঙলে হায়বহুনি। মী খুদিংগী চিন্দগী ঈশিং ঈশিংদনি লাউরিবা। শাংলবা থেকোই থেকোইবা লৈরক কয়াহু লাল্লগা লৈবা কোমমচাহু তন্না ঈশিং পুল অমমমগীদমক মরী মরী ককচেং পরেং চংপগুম চংনরবা মতমনি। ঈকং থোক্লে। লৈঙাকপশিংগী বায়েল থোদাদি ঈকং থোক্লিরেঙগা থোক্লকানগা অমহা অমহানি। হাকুম ফোগী চরোংনা জুম জুম লাওনা মীগী মিংয়েং থকহনবমথৈ প্যানথিবা লবুকশিংহু কুমশিদি লৈক্রক চংলহুনা ঈ থাংজবা কুচুগুম ফৌ পাম্বীশিংহু চপ চপ যুংহুনা লৈরি।

—নোংমৈদি চান্না অনি স্থনা চাবা ফংনবগী ব্রঃ লৈতে।

লৌমী-লীম্মী মন্নাম ঙাংনৈ। হাকুমগী ফোনা চানরিবা কুমশিফাওবদা চান্না অনিস্থনা চাবা ফংদ্রবদা নোংমৈদি অম্রুকফাও কংদত্রা কনানা খঙবনো?

পোৎকী মমলগী মত্তাংদা কনানদু মিত্রং তৌবিবা ? মিত্রং তৌবা মীগী শক্তোন হোংগনবা মিত্রংগুম্মী। লৈবাক অসি মপু পাঙ্গবগুমলে। কনানা কনাবু থৌশানরিবগে ? ডেমোক্রেসিগী অশেংবা অর্থ কারবাররবালাশিংনা নিংথিনা হৱে। ঙরাং পিথিবা চেংগী মমলশু ঙসিনা অমা ওইরম্মী।

লৌমীশিং মখুংনা থাজথিবা ফৌশিংশু নিংনা ত্তেংনা চাজবা ফংদে : মখোয়না থাজবা ফৌগী মমল মখোয়না লেপচবা ঙমদে। মখোয়না তাইথোকথিবগী মমল, হৌজিক কোয়দশুনা মখোয়না অমুক লৈরুবগী মমল। কয়াতা থেয়রবা !

— পোইনুদা অরেম্বদা তাইথোক্লম্মী।

হৌজিক্তদা লৌমীশিং থয়রকই। পোইনুদা তাইথোকলুবগী শেলশুনা করিদা শিজিন্নখিবা ? মতুমদি কুইরবনিনা কাউথোক্লখ্রে।

চেংগী মমলতং হাইগংলক্রবসু থরফাওবনি ফগদবনি। তাংদবা করিবু লৈরিবগে ? হায়নৈ হন্নুবী মশেল,

—ইনম্মা, পাই অমগী ঙাত্তোন চাবা ঙমদবশু। মুংশা যাইরগা য়োংচাক আলু ইরোনবগা হঙ্গাম চম্ফুংকা চাবশু।

— মুংঙাইবু। মখোয়গী সাহেবনা পাল্লিডৈশুনা মুংঙাইবু।

থাইনগৈগী নিংশিলুরগা তিন চুয়ে। হৌজিক থয়রিবনা লাইগী নোংমা শোয়দবা,

লমদমসিদা হোংলক্লিবা ময়ামশিং অসি করম্বা খুংহোংনো খঙদে। হোংখ্রে ফনা য়াম্না, হোংদবা য়াদবা পৃথিবীগী মচুংদা লৈবনা। মমাংগৈ, থরা মমাংগৈ, হাকুম, কুমসি, থেজবা কয়াকী

য়ক্তিক লৈখ্রে। অতুবু কয়ারক হোংখ্রবসু নিংতম্বা হায়বসিমদি ইকং ফজনা অতুম্বক লাক্লি। শেংনবদা চানবদা পূক্তিগী করম্বা মতাংদা নিংবা থুংবা হায়র্বাস ফংলিলা ?

লৈরিবনি হায়তুনা শা-মরক ঙা-মরক ঙাক্তা। মখোঙ অনি শানবা শা। ঐগীতা থনবা ঐগী ফনবতা হোৎনবা মবুকফক্তুনা মীগী থক্কবা, মুংগী থগ্মোই শ'নবা মুংগী ম'ক্তি ঙ'ক্তা। শা অতৈগা য়ান্নবা শা ময়াম অমা পুক্লিরগা লমদমসিবু ওলহল্লি নোরোক্কী কোম। হুয়ানবা মচা মশেল হুয়ানপোৎ লাক্লে। হুয়ানবা অমদগী হুয়ানবা অমদা। হুয়ানপোৎ ফংনবা হোৎনবদা হুয়ানবা মচা মশেল য়েংথিনৈ। মখোয়না লাকপমখৈ লাবনরবা মতুংদা হুয়ানপোং-শিংহুদি হুয়ানবা অচৌবা অমদা মরী মরী লোইনমক চংথি। মতুংগী হিসাব অতুমদি হুয়ানবা মচাশিংহু তমতা তৌনদে।

মুংশা য়াকনা শাগৎলকপদা চয়া হেনবা থাংদবা য়াদবগী সমস্যানি। হায়া ফজরম্বা, পালম্বা, কুচুশিংহু ভাইফেৎ তাইন-রকই। চাইরুংশিংহু চপন্নিরকই। পাজল খোক্ত্রবা পাম্বোমশিংনা লেকথ লেকথ থবক শুনরকই।

পেন্দরে পেন্দবগী ওমথৈ অস্থুম অস্থুম য়ৌশিল্লকপা অতুবদি পেন্দরে হায়বসিমদি থঙনরকই। পেন্দবগী খোল্লাওনা মাইকৈ খুদিংদগী লাওনরকই।

মী ওইবনা শাউবগী ওমথৈ অতু থেংলবদি মনাক নকপা পোৎ-অম ভাইশিয়ৈ। মিৎনাউবা থয়তংনা পেন্দবগী ময়মনি লেপনরকই। জাতি মশেল মুংশিনদবগী ঈহো অমা কয়া হোৌগৎলকই। ময়মদি

অদুম থরে, ইরেবাকসিগী পোশোক খুদিংমক মীতোপশিং অসিনা শুমমক চাথোকপ্রবনি, পুথোকপ্রবনি। হিংসাগী থবক চংথবা হৌরকই। ঙাক শেল্লিবনি হায়দুনা কব্রিদগী খোররিবা ইরাংনো হায়দুনা থিগংপগী মহুংতা সিফাইগী গাড়ীশিংনা য়াংনা য়াংনা থৌদুনা লোংমৈ মতোলশিংদু উংতুনা মীয়াম্বু মিপাইহল্লকই। সিনেমা হোলদনা হাওসফুল। কুম্মৈগী লমদা দুর্গা পুজা', পাঙ্গোইবী ঈরাং। বগ্লাগী অহৌ অহৌবা মথোল।

ফ্রেন্দস টকিজগী অথুবা গলী অদুদনি। পুং মঙাগী সিনেমা লোইদ্রি। পুং তরেৎ মথাইমুক তারে। সিনেমা লোইবা শুইবা নহারোল থরা লৈরি। রামেস্বর গলী অদু ফাওদুনা হাথু হাথু লাক্লি। রামেস্বর বিহারী মুজীনি। য়াম্না মোংপা ফিজোল শেংলি। অরাংবা লোংগী অদু মোংপদা নমথিগদৌবা মাল্লে। মোজাফুরিংতুদি মচু অমদুম শুনগ্রে। অমুবা মমাইদুদা কোই অদুগনা মাবু শকতি অস্রক্কী মতিক তাখংহল্লে। ঙসাই অযুক্ত-গীমি মাগী মচানুপীদু মশা শুমদে হায়দুনা তৌহৌবা; অদুবু থবকতি লেপ্পা য়াদবনা হজিক্তা হল্লক্লিবনি। মমল য়ামদবা হিদাক অমস্তু কার্মাসিদ' হংদুনা লৈরকপগী পায়রক্লি।

হন্দক মরক হোংলক্লিবা ইরাং অসিদা অকিবা অমস্তু পোক্লা মচা নুপীগী মনাকস্তু থুনমক য়ৌনিং খোঙথাংদু অযুকস্তু চেক্লা থুনা থাংলকই খোংউপ তোংদ্রবা খোঙদুনা। হোলগী থোঙ মপাদা পাখং অমথক্লা রামেস্বরনা লাক্লিবদুগী মমাংদুদা প্রপ প্রপ চংশিল্লি। মদুবা রামেস্বরস্তু পাখংদুদা গং লাউনা থেংগাই। রামেস্বর লেপ্লে,

অমুকন্থ চংথংকে তেই। পাথংভুনা রামেশ্বরবু লামলগা তাপ লাউনা কাই।

– খেরো।

রামেশ্বরস্থ চপ লেপই। কয়াদা অর্থ থংখিত্রবনো মখোয় ? মীমুংশি মচেং অমত্তা পক্তবগুম উই হায়বসিফাও ংভদবমখে পেন্দ্রবরা ? পাথংভুগ লাকমিন্নবা অনীভুনা রামেশ্বরগী মমাইদা মমিংতা মবুকতা লৈক্তবী থান থান থিনজিনব হোরকই। মুমিংতু রামেশ্বরগী কয়াদা মরাইবক খিঙ্গবা। পাথংশিংতুগী পেন্দবগী নাশিখোং রামেশ্বরনা ওইরুই। নাতোন্দগী অভাংবা ঈ চেল্বরকপা উরকাও পাথংশিংতুগী পেন্দবা ফোংদোকপা লোইখিদে। মরমদি পাথংশিংতুগী পেন্দবস্থ খম থেংলবনি। মখুংতগী হিদাক লিক্লিতুনা মুঙগী লৈমাইতুদা তাতুনা কাইখি। অকাইবা লিক্লি মচোই মরক্তুদা জ্ঞান মাংলবা রামেশ্বর উপথুতুনা তাখি।

থিনবগী চোপ্ পক্ লাউবা মখোলনা হোজ মমাংগী লাংলিবা মখোলগা অতুম্মক পুনশিন্নখি। মফমদুদা লৈরিবা মীশিংতু ফুবস্থ রাওদে খাম্বস্থ য়াওদে। থম্মোই পাত্রবা থরায় য়াওত্রবা মীশুম চপ চপ লেপতুনা লৈরি। পাথংশিংতুনা খঙখিদে। রামেশ্বরগীস্থ মখোয়গুম্না পেন্দবা কোটি কোটি লৈ। জাতি ভিন্নত্রবস্থ রামেশ্বরস্থ লাইরবনি। চাকথুংত্রবনি। ফিথুংত্রবনি।

অস্থক রারবা মরক অসিদা অসিগুম্বা অমা থন্নরক্লিবা অসিগী দাইজ কনানা পুকম থোক্লিবা ? চাকথুং ফিথুং মান্নবা খুমাই

অমগীদমক লাপ্নেংনেগদৌম্বিবসি কনাগনো ? কম্নম্ববুনো ঐখোয়না হোঙজে হায়না লৌগদৌম্বিবা ?

নিনি চনবা ওক্টোবর
১৯৭৯

অহুম লৌখি

পিক্লিবী অহুগা য়াওনা মচা মরি পুল্লপ অহুগী অরুম্বা ভারশিংহু মাগী মিংদ সম্পত্তি অমত ফাওবা থম্লমদন। মাগী মুপীদা নমশিংম্লগ' ইখঙ খঙহৌদব অম থোকখিব অহুদগী সনারৈগী ফেং ফেং হাইবা মতাংহু য়ৌরে। হাম্নস্থ খুদোংচাবা ফংহুনতা লেনখি হায়বদি য়ারোই। সুপ্লতংগী ওফিস অমগী চৌকিদার ওইরম্ব-দংনি। থল্লুবদ মুংশিরকই মহাক্কী মুপাহু। মহাক অমম্মুং মচাশিংগী হোংনবদংদা থাকিগী ফুরিং খোঙগ্রাঙ, ম্নবরগী খোংউপ অহুদগী হেম্ন' ফিজোল অমত্তস্থ হোংবা ঙমথিত্ত্রবনি। অহুবু মহু ফাওবদা সনারৈগীদি মুমিং থোক্লিদৈ মতমঙুনি। মুমিংতুম্ব তাঞ্জে।

ঙঙ্ তাদবা পুম্নিসিগীদমক মচ খোম্লাং ইম্ন কম্ন মিপাইজখিবী সনারৈনি। হৌজিক্তি লেংথেংনদ' য়াদবঙুম মমাংমক্ত মমিং নক্বা লৈরে। মচ অহলদুদি পূংকক চাউরে। চহী তরেংকী ভুংদমি পাখং কাম্ননি, মসিখক্তংনি সনারৈগী হুজিক্কী আশা। লাইরিক

তমহনবা, মকি লালহনবা, মীয়ক তিলহনবা—মহুশী হিসাবশিংদুদি মথিত্তশী মপি করায়ক তাহনন্থ য়াওহনবা ওমখিদ্রে। মুন্নতংশী মপূক মচা মচা মরি অহুতং থলহনবা ওন্নবা সনাবৈ কোইয়ং য়েংবা হৌরকই।

মখোয়গী লৈকাইগী মচেশিং তোনশিজ য়াম' কৈ। অদুবু শিজ ওইরকবগী মনিংদা অমতং তন্না অহুতা মঙাইবে, য়েংবা য়াদ্রে। কালেন ছুটি থানবা মতমদা অয়াংবা দলান মথক তন্না বিলাটিমাটি কোকথোং নাবীসি। সনাবৈগুম্বীনি। তোনশিজখোয়দা চত্তুনা, থবক ওবা চংপহু সনাবৈন্থ য়াওগে হায়রকই। ক়য়াম য়াবা শিন-ফন্নো থগুদে। য়ায়োং চাদবা শিনকমতুদা য়াওনিংবগী নিশা পোত্তনবা তোনশিজনা ভারুকই' অদুগী শরুক নহা ওইবী মতৌন্নুশীদি কৈথেলদা মনা-মশিং য়োনবগুর অমা থনবনা কৈ হায়রকই।

সনাবৈগীদি তঙায়কত্রবা মতাংদুনি। সমাজবু কিন্তুনা অমূক লোংলুবা য়াদ্রে। মপামন্থ হাম্মু হাম্মুনি। ইনৌ লৌরিঙৈ কনাম্ম তারুমদনা জাং মায়দব' মীওইদা চেনখি হায়দুনা. ইম্বোয়কপদগী লৌশিনব নংনদন গাড়ী এক্সিডেন্টদা অমতং পোকচবী সনাবৈবু উবকাও ফংহৌদনা অহুম্মক শিগ্রবনি মপাহু।

'সিবুদি কুইরবগীনি। মাওগী র', হৌজিকী রা, তুংগী রা। পূমবকী তুংদা মপোক অহুদন্থ নিন্দ তৌজরকই।

—ইচে নহালমুকী মপোক্তা ইপাপ কয়াম লংশিনগ্রবনো থগুদ্রে।

অৱাবা মশেলনি। মশেল মশেল মীচং ওইনবা মহৌশা ওইৱমানে। য়াওনিংবগী অপাম্বদা কম্না লৈখিবা অত্থুদদি য়াম্নরোই হায়বা উন্নত্তুনা তোনশিজন্থু 'হয়েংসি য়ানি য়ারোই থংহন্নক্লগে' হায়রকই।

অৱাংবা দলান অমগীনি ব্রোজেন্না ওক্লিবা ঠিকা অদু। ঠিকাদার ব্রোজেন অৱাংবা দলান অদু ঠিকা ওকপদা অৱাংবা সম্পত্তি অমা লেপশিনহৌনবা হিসাব কম্না তৌথি। কয়াম কুইৱগা নীংখাইৱকপা, মতুংদি অত্থুমক সরকারগী দাই ওইগ্রসন্থু। বিলাটি-মাটিগা লৈঙোইগা য়াম্নবা চাং অত্থুদগী বিলাটিমাটিগী শরুক খন্না খন্না ককথংতুনা মাগী সম্পত্তিদা তিনশিন্নবা হোৎনখি। লোয়ননা বিলাটিমাটি থিংলিবশিংগী, অকম্বা কোকথোং হোল্লিবশিংত্থগী তারকপা হুমাংশিংত্থ ব্রোজেনগী জিপকী ট্রেলরদা হাপ হাওতুনা পুথি হুমিং খুদিংগী।

তোনশিজ হেক য়ৌবগা ঠিকাদারগী মনাক্তা চংই। ওন্তানা লাক্তুনা লৈরম্লে।

—দিকা বাবু। ঐখোয়গীত্থুদা মৌনহা অমা লৈ। মপুৱোইবা লৈখিদবদগী য়েংবা ওস্থোক্লা হুংঙাইথিদ্রে। মরাইনা হৈজনি। খন্না খন্না য়াওহনসিদো।

মতাং চাবা মীম্পুংশি অমা উৎলত্তুনা ব্রোজেনা খুম্নকই। - য়াওসন্থু কৈদৌবগে। হয়েংদগীদি ঐন্থু পাক লাক্লরোই। প্রো-জেক্টকীত্থু হন্দক্তি থাদোকপা য়ারোইদৌরে। ইনাও অমা লাক্লনি হয়েংদগীদি। ইচেখোয়গী অৱাং অপাশিংন্থু ইনাওত্থুদা হায়বিয়ু।

তৌবগীদি থবক শুবিনবা থগ্না হাপ্তুনদি লৈরিবনি।

সনারৈ ঙসিদগীদি পুল্লিগী পুমনৌ লৌবা খোঙথাং অমা থাংবা হৌগদৌরে। মচাশিংহুবু মুমদা ইরেঞ্জনা লৈমিল্লনবা থেমজিনমী। অহুদগীদি খাংচেং শেংলে। খোয়াং শেংনবা কুইত্রিবী মচা অতোম্বীহু থনমহুনা পুল্লিগী লাল য়াওবা খোরক্লে।

ঠিকাদারদগীদি মনাওহুনা ফুতানি হেল্লি। লৈরম্লিবশিং অহুবু চক্লনা শাবদৌনা, উকংদা হকপদৌনা ঙম্না উই।

— খুড়াদি হাইকেং কংইদা, থবকপু শুবা ঙমলিজাংলনে ?

হেক লাকপগা সুকখঙ থঙনখিত্রিবা অহলহুদা উশিংতবা মতৌহু উংলি। অহলহুগী খুল্লিংবদি কোটি কোটিনি। ভাংনিংবদি লিশিং লিশিংনি। উপায় করিদি লৈ? ঈ থোক্লবসু থোক্লা মথয়াংতু চিকশিন্দুনা অহুম্মক থাঙলে।

— ইচৈমসু য়াওরিরো? য়াম্নবু নহা ওইপ্লেদা। কয়াম নাতৈ চাত্রজাংনোনে?

ইহান হানবা খোঙজংগী নাকোং দ্রম শেগাইগে তৌবহু সনারৈসু অহলহুগুম্না অহুম্মক থাঙলে।

—ইবুংঙো, ঙসিদগী য়াওগদৌরিবনি। নঙগী তাদগসু হায়নরল্লবনি।

তোনশিল্লনা ঠিকারদারগী মনাওহুদা সনারৈবু মশক তাকই।

ঠিকাদারগী মচাশিংগীদি টেরিউলগী খোঙগ্রাও, ব্লেডিমেদকী অনৌবা ফুরিৎ, বাটাগী ফজবা খোংউপ ঙম্না লৈবিপ্লে। থবক শুবশিংহুসু মোজফুরিৎতা ওইরবসু থোনবিনিংই। য়াঙশংনিন্না।

হাঙা অম' লৈরগা অমুক পী, অহুম লৈরগা অমুক পী। ওনি পীগদৌক্সিবা অসিনা থ অমা পুরা জৌহরবন্দী মতুংদনি। কয়াম শোং-শোংতুনা চাশিন্নপ্রবা হিংনরবগীদমক ? মতুদি ঠিকা-দারগী অরাংব' সম্পত্তি পৈশিন্নবা হিসাবকী মতুং চন্দে।

থেংলপ লাকই ঠিকাদার বাবুগী মকাওহু। ম্যানেজরগী উরবা থ্রকফম থোকলবা ভিপত্ত অমুকম্থ হেন্না থুঙকমক্সিংই অমুক ওস্তাদগী লাক্লবা থবক শুথশিংতুনা।
—ওসিদি শোয়দনা পীরনি। থবক থরসিদি ওসিগী লোইশিন্নসি।

লোইশিন্দবা য়াত্রা ? হুকুম অমনি, হিটলরগী। য়াওশংগী কৈথেল কানিংবনদি লোইরে। মচাম্ফা অহলগী পক্কদবা মোজাফ্রিং মচু যুমদা হায়না থনতুনা লাক্লবনি। মচাম্ফাদমু থাজবা পীরম্লবনি।
— য়ারে থোরক্লো।

ঠিকাদারগী মনাওতুনা অহলতুদা লাউরকই।

খুংগুমল থরা কংলবতুদা অহলতু মাওগী অরাবা ওাইহাক কাউখি।

অমুম্না অমমমতা ওইনা কৌথোক্লুনা খুংগুমল য়েনখিবদা হৌজিক্তি তোনশিজগা সনারৈগতা মওায়রে। মনানিদদি ওাইহাক শম্লবা ফাওবদমু হায়রক্তে।
— ইবুংঙো ঐথোয়মু…।

তোনশিজনা ওাইওমদতুনা প্রপ প্রপ থোক্লুনা ঠিকাদারগী মনাও মনাক্তা চঙশিল্লি।

—এঃ ইচে…অতু · দা ··।

সনাথৈদি শিনফমতুদা নৌরিবীনি। মহাক্তি মপালদা ভাংনরিবদু তারিত্রা থণ্ডদে। অমুক্তস্থ শুখনবা লাক্লরি।

—কৈদৌরবা ?

হিকোম্লরবী তোনশিজ পৈশা ফংলরোইত্রা পাখংলকই।

— পৈশাবুদি পীরগে ইচে। হেন্নতুম পীগে। ইতৈমা অসিবু….।

ওসিদি সাহেবকী মনাওতু নিশা পান্নবা মীওম ইভে ভেরে করি রানো ইবুংঙো। অতুওমকা য়াবীবজাৎতু নত্তে। ইজং অমদা হিংলিবীনি।

অকাম্বা রাহৈ হায়নিংবনি। মখজাইত্রদা খুংপাক্লা থানিংবনি। অতুবু খৌনাওগী অধিকার পুম্বা, হকচাংগী পাজল পুম্বা মশক উদবা পাজল অমনা কাজিন্দুনা থম্বীগ্রে। ঠীকাদারগী মনাওতু হাইকেং ইকাইবা থণ্ডদে। হুমাংমলভবু মুংশিজরিবীশিংহুদা মমল য়াম্নবা অতুবু নমতুনা লৌনবগীদমক খোংবা তন্দবা হুইগুম গিরি গিরি তকখংলকই।

তাফম থোকই। ইনক নক্লে। সনাথৈ তোনশিজগী মনাক ভাম্না চণ্ডশিল্লকই। ঠীকাদারগী মনাওতুদা রা অমতা হায়জবা গুমদে। তোনশিজদা হায়রকই।

– ইচে চংপা য়াত্রিবজাৎলা ?

ইকাই থণ্ডদবতুনা ওইনা ওক্লকই,

—ইতৈমা কৈস্থ লৈবজাৎ নত্তেদা। ভলাইনা চংপবু য়ারবনি।

মতাং চানহনা মুদোককম খঙবগ সনাবৈরী অক্তাই লাক্রে।

—ইবুংঙো। তাগে হায়রদুনা তাবনি। ঐখোয়গী হায়রুতানা ইরাদা য়াবা মগৌমশু কোক খল্লোকহু।

নোংশা অযোমওমই, নিক্কা শাউনা পীবা পাউখুমস্ত। অমত্তু রা মখা তাদে। ঐচাইহাক্তং খঙদ্রবগা জ্ঞান য়াম্বা তাবদৌনা হায়রকই।

—করে করে ইতৈমা। ইরেজনা তাখোক তাশিন তৌনরগা অমগীমু অমগীগু য়াইকপদৌবোই হেক নিংলুই।

অমুকন্থ সোর শাংনা হোল্বকরগা শমথরকই,

—খঙত্রেদা। ঐনা লাক্লবা হায়বত্তুনি। খোঙ খুং হামদোক-পিরুরো। পীনবা তৌজরগে।

তোনশিজন্থ সনাবৈম্থ খোঙ খুং হাবদু য়াম্বিবনথৈ থুনবা লাক্রে।

—ইতৈমদি অনৌবনিনা মরাম্না শুবগন্থ মাত্ররয়োই। মরামদগী লুপা অহুম-অহুম তাবা তারে।

করিনোলে হায়রিবসিবু? চঞ্জবিরনে? সনারৈ মুন্না খজিজি। বিলাটিআটি হোল্লোক হোজিন্দা দুপাদিংনা কোকখোং অমতং কাওবা হেনখিদে। অমাংঅতোং খিদনা শেলথুম পুখোকপা ঠিকাদারগীতুম কানহনখিবনি। হায়রকম খোকপা অমা হায়গে তৌবদা মঙায়রি। কোয়রপ নপচগনবা অঙাংত্র লাকই। হায়রে,

—তামো, বালটিনশা করি-করা খুত্তু-খুৎলাই অমতকাওবা লৈহৌরে।

—কৈনোনে হায়রিবসিবু হৌজিক্তা লোইনা লৈহৌদ্রাইনে ?

তোনশিজনা সনাবৈদা হংলকই। পুরপ চঙ্গুদনা মখোয়গী থবক শুকমতুদা য়েংমিরে। অচুম্বমক অমতা লৈরমদ্রে।

চাগদগুম য়েংলঙ্গনা হিংচাবগুনা তোনশিজদা হায়রকই।

—ইচে বালটিনশিংগী কদায়দা থম্বীগ্রে ?

—কৈনোনে ইবুংঙো হায়রিসিবু ? ঐখোয়বু বালটিন হুবা লাকপদৌনা।

পিং লাউবা মশানা তাবনি।

—লৈত্রিদ্রিদি ?

মমাঙশুম্বীদুদা লাউহংলকই। মথা তাররকই,

—ঐখোয়দা মাওউ হায়দি য়াপোং নত্তে। বালটিনশিংদুনবু ইমুং অনিগী চরা কয়াম কুইনবু পূনগে হায়রিবনো ?

তোনশিজ লৈপাক্তা কমথগ্রে। মথুংতু মরাইবক্তা পায়দুনা লৈ। সনারৈ তরংদা লেপ্লি। থওদে করি থল্লিবা। অমত্তুদি লোটবুক্তা করি কবিনো পংখোত্তা খোংলি। হায়রকই,

—ককথোক ককশিন তৌনরগা ইচেখোয়না লোগদবা শেলকম করিমতবু লৈত্রে। ইচেগা ইতৈমগনদুম ঐতোম্বা লুপা নিফুমতা থায়জিন্নরগরা করিনো পীশিন্নকখিবা তারি। বালটিনশিংদু ইরেঙনা পুখোকপিমগ্নবদু অত্তুমদি য়াবজাংনি।

কয়িনো হায়রক্লগদৌরিবিসিবু ? য়াম্বতংনি মতাংসিদা মখোয়গী পাজল। মপাংশিং শুম্মা চংনথ্রে। তোনশিজ সনারৈগী মতেং শুম্লিবমথৈদি পাংনিংলম্বনি। মতাংসিদদি তম্মা য়েংথংলকই মহাও য়াওত্রবা সনারৈগী মাইথোঙ তম্মা। য়াহং অমনি মিংয়েং অঙ্কুনা হংলিবদু। সনারৈ নারেং থাংলবী ইরোই অমোমদুনি। তম্মা হায়রকই,

—ইচে পৈশা শুনবা পুরগা থম্মা হাল্লম্লো। নমা লাকহৌরেদি হায়বিরম্মু অহলদুদা।

থাজিল্লবা থবক শুকম অসিগী মপান্দদি তারি, পাথং মচাশিংনা হৌনা নোকপা, হরাগাড়ীনা হোয়রোল থোংবা।

২৩নি চনবা জুন

১৯৭৯

শাহিং চাবা অমসী বারী

মাগী শাথীবা কিডম অমুক অমুক ওইহল্লিবসি মরাইবক্তা থাজবা য়াম্না থম্মজনি।

—কয়ানো চংপিরক্লিবসিবু ?

—লূপা মঙাতনি।

—ঐস্তু চংথরে।

অতুগুম্বা চংথোক-চংশিনগী অরোইবত্তু মঙোন্দা লোইনা চঙশিন্নকপগী দাওহুনি, মানা কম্না য়েংলিবসি। পুং কুম্মরি জুরারতনি মান' তৌরিবা কারবার ফনা হৈনবু ময়ুম পুই। তনস্তু তনব-জাংনি অতৈ থবক য়েংলুগদবস্তু। খুগ্রাবী মচা চন্দ্রকংনাননি। রবীন্দ্রনাথকী রাখলহুদি য়াওরক্তে। স্কুলবু জেলগুম্নদি রবীন্দ্র-নাথকুম উরকই। লাইরিক হৈফাওবন ফংলিবা শিনফম মতাশিং-চুস্তু পামদে। সমাজবু শাওই। করিগুম্বদস্তু হায়দোরকই শামবমথৈ শামক্করগা,

—নবাজবু শিংনব্রিবনি।

—ইমাইবকনি ফংলক্লে।

হাল্লগী থাজবীহুনা থাজরকই। মাংবদা মহাক্কী শরুক থুংলকই। তোংবদি হুকয়াউবু য়াওরক্লে। নোংমৈদি মহাক্কী মমা অশোনবীহু শোয়দনা শিখিবসু য়ারে। ইংথমথা অহুম-মরীদ-গীদি উচিন-নাচিন্না শংলরুবনি। মপাগী অহুক হুংশিবা লীচৈ অকোনবীহু কাওবা য়োম্হোক্লে।

—হিংনা নরক তারবনি।

মমা অশোনবীহুনা থবাক য়ৈরহুনা হায়। মাগী হুপীহু উপাই লৈতে।

—নয়াইবকীনি।

শাওনহুম হায়বিরমই। থুম্বা ওমজদে। থাদক্কী মচা অকংবা খোয়াং মনোক্তগী চুপ্নিবহু লৌহুনা পমহৌই। থংনবদি তোয়রে,

—ঐখোয়না হেন্না অাম্নিংলিবনিনে। কন্নিনো ঐনা শুরুগদৌরিব শিবু নওহুম ইকারজ্রা? অহুম লৈবা তাবনি।

মাগী হুপীহু হুন্দক্তি থুম্রকই,

—তানবম য়ান্না লৈ। মীগী মচানা ওমগা নওদি কন্নিগী ওজ্রোয়? অমবু ওইরবহু অওাংনিনা চাওরকাও নওবু অহুম হায়না লৈবা ওমলিগজ্রা?

হৃক্কক মাগী হুপীনা হংনক্লিবা য়াক্ষংনিদি থুম্বা য়াজা নুই। হন্দক্কীগী য়াকৈ থরনিদি লাও য়েংনিংগনবা মকোক্তুনা য়ৈবওম তোই। হুংগী নথী অমা তাইহাক য়েংই।

মখোয়গী ভুরায় কাংবু মরক্তা অহল অমা য়াওই। শাইবা শাই, মন্ত্র-তন্ত্র য়াম্না খঙই। কবুই অমনা ভবীরমচুনা খীলা টৈক ওবগী মহৈসি অহলত্থু কজনা খঙই। অলৌবা চাংঙ্গে অম শাক্তকপা মতাংদুদা শাহিং চাবা অমগী শক্তোল লৌখ্রু মহাক শাথীনা শামে। অহলদুদা কৈ ওনবগী মহৈদু তম্বীনবা পিখি পিখি তকপা হৌরে।

মহাকী য়াম্না পামজবা মতৌ অদুদা অহলত্থু থা অনিগী ভুংদি মীনা কৈ ওনবগী মহৈদু হেক তাকপীরে। মহাক হন্দক্তি দাও য়েংবগী কারবারদুদা পূক্লিং কয়া চঙশিল্লে। কৈ ওনবগী চাংয়েংদু হজিল হজিল তৌদুনা লৈরে।

মপুক্লিংদা খল্লে,

—য়াম্না চাওবা মহৈ অমদি হৈরে।

শাহিং চাবগী শক্তম লৌবা ওয়বদুদা হায়রকই,

—মতাংলিদা তময়দবা মহৈদি মসিতনি।

মপুক্লিংদা চেৎনা খাল্লে,

- মী ওইরগনি।

মহাক কৈ ওনবা কজনা ওয়ে। অমুক মী ওহোক্লিংবা মতমদগী হেক্তমক ওহোকপা ওয়ে। লোইনা তুমজবা শাহিংগী মতমদ, চন্দোল উপু অমদা মাগী মথবায়দু হাপচিনরগা কৈ ওন্দুনা হেক চংলি। অমুক হজিনরকপা চন্দোন উপুদুদগী মাগী মথবায়দুদা পিন্দোকচুনা মহাক অমুক ওল্লি। শাহিং চাবগী থবায় য়াবনা মহাকী চন্দোন উপুদু কনামকা কপ্লোইনবা মখোয়গী অমুনদা

শজোইহুগী য়ীনা উদবা কাচিন অমগী অয়াংবা মকম অমদা লোৎখিন্দুনা থম্মই।

— ঐ থবক অমা চৎপা তারে।

চাক চান' চানা মাগী মুপীদা হায়।

— লাইবক য়েংবরা ?

য়েঙ্গেম ইরোনবদু হায়রতুনা মাগী মুপীম্ হংলকই।

— থবক খুদিংমক লাইবক য়েংবা ঙাক্তনি। থা তরুকনিগী মতুংদা মওং অমদি তারকদৌরি।

--করি থবক্লো ?

মতুমা হংবা য়াদ্রে।

মাগী পিশুম য়াওনা মমিং লংখৎলকপীহু হেক তৌরক্লবদি মাগী মুপীহু মথ তাগন্দে।

— ইমাদদি হায়রবরা ?

— চৎলমদাইদা হায়রবস্থ য়াবপোৎতুবু। থা তরুকথক্তংনি।

— খঙদ্রে, নঙনা ফগদবা য়েংলো। ফত্তবদদি অমুক হন্না তৌ-বিরগনু।

উপাই লৈতবগী থমথেংবা অয়োইবা মতাং অহুদদি মাগী মুপীম্ অয়াবা পীথোক্লে।

চৎলমদাইদা তারুবা য়াবগী খোঙকমতুদি মুকলৈ লৈত্রে। শজোইগী কাচিন অহুদগী কনাম্ উহল্লমদনা তুমিন্না চংখিগদবনি শাহিং চাবগী শক্তমদু ওয়োক্লতুনা। মাগী মুপী তুমত্রি। ফুলাগী মৈ থমশিন্দুনা লৈরি। মাগী মুপী উরবদদি মাগী পুক্সিবু ঙাইহাক্তংরুদা

[illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মথোল পিরা তারি মাপী পিক্লিবা মচাপী নাথোকপগী মথোলনি।

[illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] চিন্না [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পাক্তা [illegible] [illegible] কারে। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চিনা কায়খোয়রুনা। [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] হৈনবকা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] মমাঙ্ [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অমুক্তং মচাঙ্খুনা [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চুপ্লিবা মচাদা কাম্বিরম্মী।

[illegible] কাচিন্দুদা চওরে। চন্দোল উপুক্ [illegible] থাংদরে। [illegible] [illegible]। [illegible] শাহিং চাবা কৈপী [illegible] [illegible] ওরে। অমাংবা মচুনা মশা পুম্বা শিন্-থুম্বা, অখোৎপা [illegible] ময়া [illegible], [illegible] [illegible] মখিং অনী [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] অমনীরবা মুৎথি [illegible]। চন্দোল উপুক্ [illegible] থুবাং অনীথুনা [illegible] [illegible] অমুক থাম্বখ্রে। [illegible] অমুক্তংদি য়েংলম্মী। [illegible] শাহিং চারক্ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

[illegible], শাহিং চাবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লৌরকনি। চৌংগী চৌংভং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] শাবা [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible]। তোঙ্খোং তোঙ্খোং [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible]

খোংবা চীংয়ুংদুনা লিংশিংলকই মুমদা লৈহৌবা মাগী ফুনী, ময়াং, মচা।

মশক খঙদবা লৈ কয়া শাংলমী মশক খঙদবা চীংদা। মমিং খঙদবা উচেক কয়া লাইরমী মমিং খঙদবা চীংদা। মীওইবগী খোংদা য়াওবা শাহিং চাবদুনা হিংলকই মহৌশাগী কঙবা মরক্তুদা। মুমিং ভাখিনি, খা খোয়কনি, মাগী মমিং লংখংলকনি, কোইচং অমুক চংকনি। অরংবা অমতং উবদা মাগী মমিংতু হেন্না লংখংলকনি। থিরিবনি মকম কদাইদা লোংতুনা লৈবা হীরা, মনি, মুক্তা। অদুবু কদায়দনু লৈরিবনো মানা থিরিবহু? অমুক্তংবু উত্রি।
—খা ভরুক।

মাগী মুপীদা মুমিং ভয়খদু খা ভরুক্কি। হেনলম্বগত্রা, রাং-লমথিগত্রা? কদায়দগী খঙলুরগনি লৈ মরক্তুদা, উজাও মরক্তুদা, মুমিং মঙাল চঙদবা লোকতুদা।

য়ামদি কুইরে। হাইবেং অমদি ভাবনা শাজিন্নি। শামু কাংলুপ কাংলুপ লৈরম্বা মকম কাওবা খেঙনরে। কদায়, মখোয়গী শামু ময়াদুদি? পুম্নমকশিংদুগীদমক অথৌবা ময়া অথৌবা খুজিল ইয়ায়-লায়না কংলবদু শিজিন্নকম গুক্রে লৈহত্রে।

লোং ভানফুং-ভানফুং তৌবা মতমদুদা অতুক থাপপ্রবা মকমদুদা মীগী খোজেল ভাবদা শাহিং চাবদু ইভক ভকই। অশাক অপাকপা ঊশং কাখা চুং ময়াম। অচৌবা মনা পুংবা চহী লীরবা উজাও-শিং, নাকন্দা য়েংখেবা লোকখানা চিংখবা মরক্তুদা মীওইবগী

শুরু-শুরু নৈবা খোঞ্জেল। চীংগু নোং তাখিবগী হুজিক কাওবা নাহ্রি। অনানবা চীংমাইদুদা চোং-চোংদুনা মীখোলদু খিরকই।

মশা লোংবা উপাল অমদা কাখৎলগা কোইয়েং য়েংলকই অরংবা মমিৎতু হেন্না লংখৎহল্লদুনা। মী খরা বিরচান্দগুম্বা খুৎলাই পায়দুনা করিনো খরা তৌদুনা কোংলগা বোরাদা হাঞ্জিল্লি। কোংলিবদু করিনো হায়দুনা থৌরবা মমিৎতুনা চেকশিন্না য়েংলকই। অরংবশিং অদু উবদা ভাবন। শাজিল্লকই, হীরা, মণি নত্রগা মুক্তাদি শোয়দ্রে। মীশিং অদু খুৎলাই য়াওত্রা মূন্না য়েংই। মী অমখক্কা নোংমৈ অমা পাইরিবদুগা তৌরি কোংলিবশিং অদুদগী হেন্না অতৈ খুৎলাই য়াওদে।

হন্দক্কী অসিনা অরোইবা চাংয়েংনি। মপূক্লিংদা চেৎনা নিংই। খুদোং চাগদবা মুংজাও মথক্কুদা পাকথ পাকথ কাখৎ-লকই। মশক উহন্দনা চীংমুং নিনবমথৈ শাহিং চাবদুনা ঙংলকই। মীশিং অদু থবক শুবা লেপ্পদ্রে। মমিৎ কিরুপ কিরুপ কোইনা য়েংনৈ। নোংমৈ পাইবদু মরু অমথক মথক্কা কাপথৎলি। শাহিং চাবদু মুংথক্কুদগী নোংমৈ পাইবদু তম্না চোংথরকই। নোংমৈ পায়বদুসু মরু অমদু মথল্লায় লাল্লমদাইদুদদি অমুকসু শীঞ্জিন্নখোক্লে। শাহিং চাবদু হন্দে। অথৌবা ময়া পানবা মখয়াৎতু লাওনা কাথোক্লদুনা নোংমৈ পাইবদুবু সুপকোন কোনশিল্লি। মশামক্না কয়ারক চাংয়েং তৌদুনা লাক্লবনি। পুম্না লাকমিন্নবা শক্তি কাংবুদগী অমথক্কং ময়াংলেন্দা খুজিন্না থুম্না লেংবদা মুংশিনরম্বা ময়ামদু

কাম্ৰকুম্না চেক্ষি অমম অমবা। কনান কদায়দা চেনখিবা মী অতৈঙ্ক, মান তাহৌদে। নক্না তাক্কন। লৈ অশিবা নিপাদু। শাহিং চাবদুগী ওইথংবা মখোংস্ত্র নোংমৈনা পানখিবগী অৱংপা লৈতনা ঈ চেম্ৰুবি।

মীশিং অতু ইনক নক্না চীংখুংদা কেম্প শাক্নন। লৈমানে। মী মম লাকপগী মীনিল তায়কই। অৱংবা মতুম্না থলবা খাউ অমা মচীম্না চিক্কহুনা থুনমক হন্দোরক্লে মফমদুদগী

হৌজিক্তি য়ুমদা থুনা য়ৌনিংবগী অপাম্বহুনি। অৱাংবা উ, ঈশং কারবা মুং অঙক কুয়ন। মকাপ শাম্ৰকপশিংঞ্চ মিকুপ্তুদগীদি য়েক্লবগুম নিংলে। অঙাংবা লৈপাকথক্তুদা য়াৱিবমথৈ পম্বনিং দৱে। য়ুমদগী থোৱকপ। কয়াম কুয়ৱবনো হায়বদুস্ত্র খঙনিংবনা লাংতক্কক্কই।

মখোয়গী য়ুমগা খ্বায়দগী নক্কবা চীংতু উচিন নাচিম্না য়োৱে। নাৱক্তুদা ফমজুনা মুমিং তাবা ৱানা ঙাইহুন। লৈৱে।

মুমিং অসিগী অহিংদগীদি মহাক শাহিং চাবগী মূর্ত্তি অসিগা থাইনৱগনি। মাগী মুপীগা ৱারী শাজৱগনি। নোং ঙানবদগীদি মাগী মুপী নোক্লগনি। খঙদে, মাগী মচাদু করম তৌৱমগদবা? মাগী মমাক্লুমু? মখম খঙদবা মুংনাংনবনা মাগী থম্মোইদু মথক মথা ওলহল্লকই।

—মথংদগীদি শাহিং চাবগী শক্তম অমুক লৌক্তত্রবদু য়ায়ে।

শাহিং চাবগী মূর্ত্তিদু থাদোক্তি্রতৈনা থল্লকই। অথাম্না কজবা চীংদোন্দুগী মক্কমদা ঙাংলৈনবা মুমিংদু তপ্না তম্ল ওহম্রে। তাজা

তাবকই কনাগুম্বা খুরাগী তৌত্রিনা তান্‌ইমবা খুনং ঈশৈগী শৈহেক। লাপ্পা পুরকই পুগনবা মালংবনা পুন্নী থম্বালগী নৈনম।

থকতা থক থক কুম্মি মমিং থরাম্না। থাম্ব কাখৎ-কুমথ শান্নরি অমুবা লৈতিলগী চৈংশিংদুদা। শাহিং চাবদুনা থাগী মাইথোঙদু থরাম্ন য়াওনা য়েংলদুনা ঙাইরকই থেংলবা অহিংগী মতমদু।

মথোংদু চিংবদদি য়াররনি। ঈ হাইকেং তাখ্রে। হৌজিকপুদি উম্না অমা গুমজিল্লুবদুদগী মরক-মরক্তা থরদং তারকপদু নত্তনা থোইদোক্লা তাদ্রে। মচিন্নদন্থ বোরাখাউদু চিক্লি। মরিংজেল কুদোক্লদুনা অশোকপা মথোঙদু য়ানা চিংলদুনা শাহিং চাবদু মমুম জররকই।

লৈকাইদু ইচিক চিক্রে। অহনবা য়ুম অমনিস্ন লৈবা উরে লৈচিল থাংবা থাবলদু কাওনা লোইনমক্তি হোংদে। থরদি হোংলে। মথোয়গী কোম্হোংদা তপ্পা তপ্পা চঙশিল্লকই। হিংসাগী হৈনবীনা তারবা মকোক্তুদা হৈথরকই ব্রজ লীশিং লীশিং। মথোয়গী শঙ্গোইদুস্ন হোংবদা য়াওরম্রে। অমনবা শঙ্গোয়দুগী মহুম্না মুশিবা থাবলগী মঙালদুদদি মুবৈনন উরব মনা-মশিং থরগী কজনা শেয়রবা কৈদোম। পুন্নিগী অনৌবা থৌনা অমা পুদুনা লাকপদু থঙহৌদনা খুইথখি।

মথং উপাই য়েংলকই। মাঙ্গোল তম্না তপ্পা কাথংলকই। মচীনদগী বোরাখাউদু মাঙ্গোলদুদা থম্নেনো অচিকপা অহৌবা মথোল কম হৈনম্নরবা নাকোঙদুন থোঙদুদা তপ্পা ঙাশিন্দুনা ইমুংদুদগী থোরকপা মথোল তাম্নবা লাক্লে। ইচিক তুরবা অহিংদুদা মথোয়গী ইমুংদুস্ন কনামতা চেক মোক লাওদে। থোঙদুদা তপ্পা

মপী। পুন। পানবা কাউরম্বনর: তপ্পা হাংদোরকই। কোইয়ৎ য়েংই চন্দোল উপুহ্ন ইমুংগী মকম অমদগা থর্‌া? লৈতে। অরংবা মমিংতু কোইওং ওংলবস্থ ইমুংগী মকম অমত্তদস্থ উবা ফংদে। ইওক ওকই, আলমিরা অহনবা অমা ইমুংতুদা লৈরম্লে। মকম হোংলবা কমুংগী লুথুমদা মাইখল অহনবা অমস্থ লৈরম্লে। চন্দোল উপুহু মাইখলগী মক্লমদা লৈবর: য়েংনবা তপ্পা তপ্পা চওশিল্লি। মী হাংলুরবা শাহিং চাবতুগী মমিং অনীহু থংউই উইশিনহল্লি কমুং মনুংগী দৃশ্যতুনা। উরকই, মাগী মুপীহু মুপ। অমগ। থাগোম্লনা তুমতুনা লৈবা।

খওয়ৎ য়েংনিংলকই মচাগী ফিজম। আলমিরা মনিংগী কমুংতু তপ্পা অমুক চওশিল্লি। মশা নোইরিবরা, ময়াং কংশিল্লবরা, মতুদি খওদে; হিগ্তি হিপ্লি মাগী চাউত্রিবা মচানুপাতু। নাম্পিংবনি তপ্পা মমাইতুদা অরংবা অঙাংবা মমিং অনিতুদগী তপ্পা চেম্বুরক্কই মিংলুগী পি। অশোনবী মমাতুদি? ইহাং হাংই মমাগী কমুংগু। মচাগী নাকন্দুদস্থ হিগ্তে। চীংদা লেজু্বা শাহিং চাবদ্‌ নদি কদায়দগী থগুলুরগনি মাগী মমানা কদায়রাইদ। কনাগা হিপ্লিবা?

শাহিং চাবগী করি পাঙ্গল? উপাই লৈত্রবা মতমসিদা পুম্জিগী পাম্রা পুম্বদি ফারে। মরক মরক তারকপা ঈনা মরিক মরিক ইমুংদ্‌দা চাইথোক্লিবদ্‌ নাম্দি নাম্থোক্লমনিংই অরোইবা মতমদ্‌দা। মচীমা চীক্তুনা পুরক্লিবা থাউ অদ্‌ মাঙ্গোলদগী লৌ-শিল্লুদ্‌না মচাগী কাম্বদা থনম্লে। তপ্পা থোরক্লে ইমুংদ্‌দগী। অমুক উমং তপ্পা লাক্লে অমুক শাহিং চাননবা।

লোইরবা ১৯৭৮-৭৯